Rs 25

ছন্দ-রস-মঙাল

শ্রীনিংঙোম্বম হেমচন্দ্র সিংহ
জ্যোতিষ-শিরোমণি

ছন্দ-রস-মঙাল

ছন্দ অমসুং রস-মথল মথলগী মশক, ব্যাকরণ মরোল্দা মৈতৈলোনগী
সন্ধি সমাস, রাইহ পাঃবাৎনচিংবা মৈতৈ রাইহশিংগী মিংথোল
উদাহরণগা লোয়ননা লেংবা লায়রিক ।

শ্রীনিংঙোম্বম হেমচন্দ্র সিংহ

জ্যোতীরত্ন শিরোমণি না

লেংবা

খৃঃ ১৯৩৮ গী ১৭ ফেব্রুয়ারী নুমিৎকৈশা নুমিত্তা "বঙ্গ বিবুধজননী" সভানা
"জ্যোতীরত্ন-শিরোমণি" উপাধি পত্র দান তৌবী ।

কোংজবা—

শ্রীমাইবম চন্দ্রহাস সিংহ,

চিংঙামথক, নাম্বৈরাকপম লৈকাই।

অহানবা নম্বা

১৯৭১ ইং জুন

মমল— Rs [illegible] তনি।

নম্ফম—

দি ফ্রেণ্ডস্ ইউনিয়ন প্রেস,

ইম্ফাল।

"বাহৌদোক"

লোয়াম প্রাইমারী স্কুলদগী কোলেজ ফাওবা, হৌজিক লায়রিক তম্বিবা ছাত্র ছাত্রীশিংগী মশীং লাখ অমা কাবা য়ানা নৈ। মখোই অসিগী মচুংদা — য়াবেং-নৈবেং লেংতুনা স্কুল অমসুং কোলেজ মেগাজিন্দা, অতোপ্পা চেক্লাংশিংদা, কাংলুপ্পা হায়বদি সাহিত্যগী সেবাদা মপুক্রিং চংবা, ছাত্র-ছাত্রী কয়া য়াউরে। হখোই-শিংগী মচুংদা থরমনা, হয়েং তুংদা মণিপুরগী কবি অকাউবা ওইরকুনা মীয়াম্না কবি অচৌবগা লায়রা তৌনদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী ইজ্জৎ সন্মান চাকদোরিবনি। ছন্দ অমসুং রসগী মশক খংনবা লায়রিক নৈনবনা মখোই হৌজিক নিয়ম নাইদনা মপুক্কী খোঙ্গা লেংতুনা কোংবা অমা, -শ্রগা কনাগুম্বা অহৈবা মী অমবু লেংহল্লগা ছাত্র-ছাত্র শিংগী মায়ংদা কোংবা অম, অসুম তৌনবি। খল্লবীয়ু! অসুম চঙ্গরবদি, ছাত্র-ছাত্রীশিংগী চাউখৎপগী লম্বেন্দা কয়াদা মপনবা ওইরিবনো? ছাত্র-ছাত্রীশিংবু সাহিত্য তম্বদা হৌজিক চাউখৎহৌরবদি, মণিপুরী সাহিত্য করম্বু চউখৎকদগে? অনৌবা যুগ অসিদা মণিপুরী নাইতোম তানা নৈথহোবা য়াত্রে। মীগা মাল্লনবা নোমনদবা য়াদবা মতাং লাকলে অনৌবা যুগকী অনৌবা ভারতকী মণিপুরদা, অনৌ-অনৌবা সাহিত্য মচাক, মণিপুর সাহিত্য লৈঙ্গদা হাপচিল্লক্কবা য়াত্রে— থিজিনহৌগনা, অঙ্গা মখৈ মতম অসিদা, সাহিত্য প্রেমীশিংনা।

ইং ১৮৯০ গী জানুয়ারীগী তাং ৭ ত, পোকপা ঐগী চহি মতাংনা জানগী থাওয়ৈ মতান শিথরবসু ইমা মণিপুরী সাহিত্য হুংশিমনবগী

অমস্তুং মণিপুরগী ছাত্র-ছাত্রীশিংগী মশাদা ছন্দ-রস জ্ঞানগী মশাল তাহন্নবিংবনা অরাবা থিদনা ইচং থোরকনা. ছন্দ লায়রিক মচা অসি উদাহরণগা য়াউনা লেংখোকচরে। উদাহরণগা কোন্নবা কাব্যরস মাপলগী অকুপ্পা মরোলগা সন্ধি সমাসনচিংবা মৈতৈ ব্যাকরণগী মরোলগা, অতোপ্পা মরম থরস্ত তাপচিনরে। য়াম্না প্রাচীন ওইবা বিশুদ্ধ "ছন্দো-মঞ্জরী" গ্রন্থগী মত লৌবনা বৈদিক ছন্দগী শরুক মখা ইবনি। ছন্দ-রস লায়রিক্তি ব্যাকরণগী অচৌবা শাখ অমনি। অসিগুম্বা লায়রিক, অতৈ প্রদেশদা স্কুলগী পাঠ্য পুস্তক ওইনৈ। লায়রিক অসিগী মথক্তা মতিক মহাই শরুক হেরা লৈ। মণিপুরগী শিক্ষা কর্তৃপক্ষনা অমস্তুং মণিপুরী সাহিত্য হুংশিবা ভদ্রলোকশিংনা হুংশিবা মিংয়েং চংব ররবদি অনিশুব শরুক অমস্ত থুনা কোংবগী আশা তৌরৈ।

সাহিত্যদা মথৱাই য়ায়া য়াউবা ছাত্র ছাত্রীশিংগী মকসদা হায়বা।

মণিপুরী সাহিত্য অসি, য়াম্না য়াংবা থাক্তা পুখত্তুনা, মীরৈ-পাক্কী সাহিত্যগা লাম্না তৌনগে হায়না নীংলবদি, মথাদা ইরিবা হিরমশিং (Subjects) য়ায়া হৈনবা নখোয় তমহৌগদবনি মগুদি :—

১ ব্যাকরণ অমসুং ছন্দগী মরোল তনা হৈনবা তম্বা।

২। মণিপুরী ভাষাগী শব্দ -- অরী-অনৌ, লয়াই-ইস্ফালদা তৌজিক লোম্নরিবা য়াহৈশিং তনা থংবা।

৩ পাউরৌ অমসুং নাহৈ য়াও ময়াম (Proverbs and Idioms)।

৪। মথক্তু হায়খিবা ময়ম শিঙ্গিরকম হৈবা।

৫। মৈতৈরোনগী মসুংদা চম্নরকইবা অতোপ্পা ভাষাগী শব্দশিং।

৬। হিন্দী, সংস্কৃত অমসুং ইংরাজী ভাষা ও হৈবা, অহম মক ওমজরবস্ন অনিদি হৈত্তবা য়াদে, হায়রিবশিং অসি নিংথিনা হৈরবদি, মণিপুরী সাহিত্য লেংহনা মীগী কবি ওচৌবগা পাবদা নমাই পাকনি।

কাওরোইদবদি,

মীরোকয়া হৌদ্রে, পৃথী শেম্বদগী,
কয়া কয়া মাংদ্রে, হৌজিকয়া হৌরি,
কয়াম্ব মাংঙনি, কয়ানু হৌরনি,
মাংদবা পোত্তদি, ভাষা সাহিত্যনি।

মাংদবা পোৎ হাযবদি অমর ওইহোবা, সাহিত্যগী সেবা তৌহনা, ছাত্র ছাত্রী নথোয়সু অমর ওইহৌরো— মিংচৎকী উরোং থিলহৌহনা।

৺গান্ধীগী অহিংসা, গৌরাংগী মপান্না,
স্বাধীন কংলবা, ভারতকী মাতা,
মাতা কুংঙাইনবা, ৺নেহেরুগী শীল্লাং;
চহি কুমজাদা, খুচ্চীংনা মঙাদা,

শেন্নবা যোজনা, দেশ চাউখত্নবা,
হিরম খুদিংদা, পুখহোদনবা,
ভারত অনৌবা, যুগসু অনৌবা,
অনৌবা আশানা, প্রদেশ খুদিংনা;

শিল্প সাহিত্যদা, সঙ্গীত বিদ্যাদা,
অতোপ-অতোপ্প, শিল্পম মন্নমদা,
লমজেল তান্নরি, অমগা অমগা,
খন্নাই খুবাক্তা, হাপ্তুনা, চেন্নবা।

মণিপুরী মচা, সঙ্গীত বিদ্যাদা,
লমজেন থোইরে, হৌংজক অসিদা,
হিরম অতৈদা, পুখহোরি হান্না,
তাঙখতনু নহাশা, মীমান্নাস থুনা।

(সমবৃত্ত-গায়ত্রী-ছন্দ)

ছন্দ-রস-মঙাল

পদ্য-ছন্দ

Poetry

পদ্য=কবিতা

পদ্য :— ছন্দ পান্দুনা ইশৈ ওইনা শকপা যাবা মথেক্ মশীং কল্লা লেংবা য়ারেং অমবু পদ্য (শেরেং) কৌই। পদ্য মথল্ য়াম্মই। মতুংদি—পয়ার, ত্রিপদী, চতুষ্পদী অসিনচিংবা।

ছন্দ :— পয়ারগী মথলবু ছন্দ কৌই। মতুংদি—পয়ার ছন্দ, ত্রিপদী ছন্দ অসিনচিংবা।

পদ :— পদগী অর্থ মখোং পরেং, পঙতি নিয়মগী মতুং ইন্না মথেক মশীং কল্লা ইবা শেরেং পরেং অমবু পদ কৌই। হায়বদি পদগী মনুং পরেং অমখক্তা পদ কৌই

গদ্য (Prose)

মী অমগা অমগা য়ারি-য়াতাই শানবা অমস্রুং ইত্তত্তুনা ঙাংনশানবা লোন্তাবু ব্যাকরণগী নিয়ম্ কাইদনা লোংহুনা ইরগা গদ্য (য়ারেং) কৌই। গদ্যগীস্তু মখল হৈ।

গদ্যগা পদ্যগা খেন্নবা — গদ্য ইবদ কর্তা কারক্কা মাং থংলগা সমাপিকা ক্রিয়ানা অরোইবদা থমৈ। মতুংদি "চাউবা ঙরাং ডিমাপুর চৎখ্রে"। য়ারেং অসি পদ্যদা "চৎখ্রে ঙরাং চাউবা, ডিমাপুর-লমদমদা" অস্রুম ইবা য়াই গদ্য ইবদা মথেক মশিং কক্তে। অর্থ

কোংবা থরা পাহ। পদ্য ইবদা ময়েক মশিং ককুই। অর্থ ফুংহুনা লৈবস্ম রাওহ।

১বা উদাহরণ, সংস্কৃতা—

অস্তি গোদাবরী তীরে, জম্বুলা নম রাক্ষসী।
++ ++++ ++ +++ ++ +++++

অর্থ। অস্তি—লৈ গোদাবরী তীরে—গোদাবরী তুরেলগী তোর্ব্বানদা। জম্বুলা নাম—জম্বুলা কৌবী। রাক্ষসী—হিংচাবী। "রাক্ষসী" কর্ত্তা কারক্কা তংথাল। "অস্তি" ক্রিয়ানা মাং থংলে। ময়েক ৮শা লৈবা পদনি "অনুষ্টুপ ছন্দ"।

২শুবা উদাহরণ বাঙ্গলাদা—

ফুটিয়াছে সরোবরে, কমল নিকর।
++++ ++++ ++ ++++

অর্থ। ফুটিয়াছে—শাংকাহরে। সরোবরে - সরোবরদা, পাক চাওরবা পুখ্রীদ কমল—থম্বাল। নিকর—ময়াম "ফুটিয়াছে" ক্রিয়ানা মাং থংই। "কমল" কর্ত্তানা তুং থংই পদ ১ ময়েক ৪ শা শাবনি "পয়ার ছন্দনি"। ময়েক ৮ শুবদা যতি (কোমা) লৈ।

৩শুবা উদাহরণ, মৈতৈ লোনদা—

লৈ ঐগী ইখুত্তা, লুপা মঙা,
চেংস্মু রানগদবা, কাস্ত্র লৈবা,
করিব লৈশিবা, লুপাসিনা,
কোয়বোয়দবনা, উপায় উদা।

বর্ণ (মযেক ১০না লেংবা সমবৃত্তগী চতুষ্পদী পদ্য ১ ওইরে। বানগদবা রাইদা য়াউবা ন নে, কোয়রোয়দবা নাইদ অমসুং উপায় রাইদা য়াউবা ম নে হৌসত্তু ওইবনা মশী০ লৌদ মযেক ৬ গুবদা যতি (কোমা) লৈ। "পঙক্তি ছন্দনি"।

পদ্য লেংবদা বর্ণ (মযেক) মশীং লৌবগী নিয়ম

স্বরবর্ণগী মশীং লৌই। হলবর্ণগী হায়বদি হসন্তবর্ণগী মশীং লৌদে। মতুদি :— পুরীং—মযেক ২। মরমদি, উ, ঈ স্বরবর্ণ ২ চংই উমা—উ, আ, স্বরবর্ণ ২ চংই—মযেক ২ গ্রথেং —ঐ, এ, স্বরবর্ণ ২ চংই—মযেক ২ "ং" দি হলবর্ণনি, মশীং লৌদে লৈমায়—ঐ, আ স্বরবর্ণ ২ চংই—মযেক্ ২ "য়" দি হল্‌-বর্ণ নে, মশীং লৌদে। অকনবা—অ, অ, আ স্বরবর্ণ ৩ চংই—মযেকতা "ন" দি হলবর্ণনি, মশীং লৌদে।

লঘুবর্ণ short) অয়াংবা অমসুং গুরুবর্ণ অরুবা long)

অ, ই, উ, ঋ, ৯ স্বরবর্ণ মশ অসি লঘুবর্ণনি। আ, ঈ, ঊ ৠ, এ, ঐ, ও, ঔ স্বরবর্ণ ৮ অসি গুরুবর্ণনি। লঘুস্বরবর্ণ চংবা ব্যঞ্জন মযেক্ অদু লঘুবর্ণ হায়না লৌই। গুরুস্বরবর্ণ চংবা ব্যঞ্জন মযেক্ অদু গুরুবর্ণন হায়না খংই মতুদি—ক্+ই=কি "লঘুস্বরবর্ণ চংই" "কি" লঘুবর্ণনি ক+ঈ="কী" গুরুস্বরবর্ণ চংই "কী" গুরু বর্ণনি। গুরুবর্ণ—অনুস্বর অমসুং বিসর্গ য়াউবা মযেক্ অদু গুরু-বর্ণনি। মতুদি—ইঃ, উং, কং, হঃ গুরুবর্ণনি কন্যা কেশ হায়বদি ক্য, ম্ব, কৃ, ক্ষ অসিগুম্বা মযেক্শিংবু সংযুক্তবর্ণ কৌই সংযুক্তবর্ণ অমসুং হলবর্ণগী মাং থংবা বর্ণ (মযেক্) অদু লঘুবর্ণ ওইরসু গুরুবর্ণ ওই। মতুদি, মক্কে, তন্ত্রে, কন্, খৎ, রাইদ য়াউরিবা

য, ত, ক, থ ময়েক ৪ অসি মহৌশা লঘুবর্ণ ওইরবস্তু, সংযুক্ত অমসুং হলবর্ণগী মাংথংনা লৈবন মকমসিদ গুরুবর্ণ ওইরে।

প্লুত—গুরুবর্ণদগীসু হেন্না খোঙ্হোক শাংবা বর্ণবু প্লুত কৌই। মী কৌবদা, ইশৈ শকপদা, অমসুং কপ্পদা প্লুত বর্ণ চংই মধুদি— ও! তাদা। হরি বোলরে। মাংলে, মাংলে। ও, রে, লে, ও সি প্লুত বর্ণনি।

মৈতৈ লোন্না পন্থ লেংবদা—বর্ণশীং তুবা তমত্রগা, ও, কো, না, নে, হু, দে, দা, বা, বু, বো, মা, সে, রা, হ, গুম্বা প্রত্যয়শিং চপকম্ য়েংঙ্গনা রাহৈগী মথৈদ হলপচিন্দুনা রাংপা বর্ণ গুরুনব য়াই। প্লুত বর্ণ ১না বর্ণ ২গী মশীং লৌরগু য়াই পদ অমদা গুরুবর্ণগী মশীংনা য়াম্লবদি বর্ণ অম রাংপা, অদুগা পদ অমদ লঘুবর্ণগী মশীংনা য়াম্লবদা বর্ণ . হেনবদা ছন্দ কাহবগী দোষ লৈবরোই। রাহৈগী মরক্তা য়াওবা "য" বর্ণগী মশীং লৌদ্রোই। রাহৈগী মথৈদা য়াউবা "ই, উ, ও" বর্ণনে, রাহৈগী মরক্তা য়াউবা "ই, উ, ও" বর্ণনে খোলহায় তেম্লগা মশীং লৌরোই

মাত্রা অমসুং গণ।

দীর্ঘ স্বরবর্ণ ১দা মাত্রা ২ লৈ হ্রস্ব স্বরবর্ণ ১দা মাত্রা ১ লৈ। মাত্রা ৪না গণ ১ গণ অমা কাবা শব্দ, মথল ৫ গুই।

১। সর্ব্বগুরু—গুরুবর্ণ ২না শাবা শব্দ, মধুদি—তাদা—দীর্ঘস্বর ২। মাত্রা ৪, গণ ১।

২। অন্তগুরু—মথৈদা গুরুবর্ণ ১ লৈব শব্দ, মধুদি কমলা হ্রস্ব ২ দীর্ঘ ১—মাত্রা ৪, গণ ১।

৩। মধ্যগুরু—ময়ায়া গুরুবর্ণ ১ লৈবা শব্দ, মতুদ—অনাথি হ্রস ১, দীর্ঘ ১ হ্রস ১ — মাত্রা ৪, গণ ১।

৪। আদিগুরু—মকোক্তা গুরুবর্ণ ১ লৈবা শব্দ। মতুদি—নাগর দীর্ঘ ১, হ্রস ১—মাত্রা ৪, গণ ১।

৫। চতুর্লঘু—লঘুবর্ণ ৪না শাবা শব্দ মতুদি—নবরস হ্রস ৪—মাত্রা ৪, গণ ১।

হায়খিবা মাত্রা, গণ অসি আর্য্যাদি মাত্রা বৃত্ত ছন্দদা চৈরি।

যতি—পদ ১ মরক্তা লৈয়েংন, তাইহাক লেপকম ওইবা মকম্, কবিশিংনা ' যতি'' হায়নৈ হায়বদি 'কোম'' খন্না য়াবা মফম্। পদ খুদিংগী মরক্ত যতি লৈহনগদবনি। ময়েক মশীং য়ামত্রবা পদ ওইরবদি "যতি" লৈহনদবসু য়াই। পদ ১দা মযেক মশীং য়াম্না লৈরবদি ' যতি'' খমত্রগা পাবদা লৈয়েংগী পোংথাথম্ লৈত্রতনা পাবসু মুংঙাইতে, তাবসু মুংঙাইতে। যতি, ছেদনচিংবা চিহ্ন (খুদম) গী মরোল য়াবই। গদ্য লৈনবা মতাংদা শুপাইনা ইগে।

অথ পদ্যং

পদ্যং চতুষ্পদী তচ্চ বৃত্তং জাতিরিতি দ্বিধা।
বৃত্তমক্ষর সঙ্খ্যাতং জাতি মাত্রা কৃত ভবেৎ॥
সমমর্দ্ধসমং বৃত্তং বিষমঞ্চেতি তাত্রিধা।
সমং সম চতুষ্পাদং ভবত্যর্দ্ধসমং পুনঃ॥
আদিস্তৃতীয়বদযস্য পাদস্তুর্য্যো দ্বিতীয়বৎ।
ভিন্নচিহ্ন চতুষ্পাদং বিষমং পরিকীর্ত্তিতং॥

অথ ছন্দ

আরভ্যৈকাক্ষরাৎ পাদাদেকৈকাক্ষর বর্দ্ধিতৈ।
পাদৈরুক্থাদি সঞ্জং স্যাচ্ছন্দঃ ষড্‌বিংশতিং গতং॥

যথা—

উক্থা ত্ব্যুক্থা তথা মধ্যা প্রতিষ্ঠান্যা সুপূর্ব্বিকা
গায়ত্র্যুষ্ণিগনুষ্টুপ চ বৃহতী পঙ্‌ক্তি রেব চ
ত্রিষ্টুপ চ জগতী চৈব তথাতিজগতী মতা
শর্করী সাতী পূর্ব্ব স্যাদষ্ট্যত্যষ্টী ততঃ স্মৃতে।
ধৃতি শ্চাতি ধৃতিশ্চৈব কৃতিঃ প্রকৃতি রচ
আকৃতি বিকৃতিশ্চৈব সংকৃত্যা কৃ... তথা
উৎকৃতি শ্চেতি কথিতং ছন্দঃ ষড়... গতং
ইত্যুক্তা ছন্দসাং সঞ্জা ক্রমশো... প্রাপ্তং

বৈদিক-ছন্দঃ

(প্রাচীন ছন্দো মঞ্জরী গ্রন্থদৃষ্টে)

চতুষ্পদী পদ্য

চতুষ্পদীগী অর্থ, মথোং মার পাদ... চারিটা পদ (মথোং। মরিনা শাব চতুষ্পদী মথল এলেম তুই মতিদি—সমবৃত্ত, অর্দ্ধসমবৃত্ত অমসুং বিষমবৃত্ত।

---

* মহাকবি বৈদ্য শ্রীগঙ্গাদাস বিরচিত—শ্রীরামনারায়ণ বিদ্যারত্নের ইং ১৮৮৯ বা কোংবা ছন্দো মঞ্জরী " গ্রন্থদৃষ্টে।

সমবৃত্ত—মখোং মরি বর্ণ (ময়েক) মশীং মাময়গা সমবৃত্ত কৌই।

অর্দ্ধসমবৃত্ত—অহানবা মখোংগা (পরেংগা) অহুমশুবা মখোংগা বর্ণ মশীংমাময়বা অমসুং অনিশুবা মখোংগা, মরিশুবা মখোংগা বর্ণ মশীংদু ময়া ওইরবদি অর্দ্ধসমবৃত্ত কৌই।

বিষমবৃত্ত—মখোং মরি মরক্ বর্ণমশীং মাময়দ্রগা বিষমবৃত্ত কৌই।

পদ অমমদা বর্ণ অমদগী ওইরগা বর্ণ কুপ্তরুক মা লেংবা কাইবা বৈদিক ছন্দ ২৬ লৈ। মামিং খঙদনা ইরে :—

১। উক্থা ছন্দ ১০। পঙ্‌ক্তি ছন্দ ১৯। অতি ধৃতি ছন্দ
২। অত্যুক্থা ছন্দ ১১। ত্রিষ্টুপ ছন্দ ২০। কৃতি ছন্দ
৩। মধ্যা ছন্দ ১২। জগতী ছন্দ ২১। প্রকৃতি ছন্দ
৪। প্রতিষ্ঠা ছন্দ ১৩। অতিজগতী ছন্দ ২২। আকৃতি ছন্দ
৫। সুপ্রতিষ্ঠা ছন্দ ১৪। শক্করী ছন্দ ২৩। বিকৃতি ছন্দ
৬। গায়ত্রী ছন্দ ১৫। অতিশক্করী ছন্দ ২৪। সংকৃতি ছন্দ
৭। উষ্ণিক্ ছন্দ ১৬। অষ্টি ছন্দ ২৫। অভিকৃতি ছন্দ
৮। অনুষ্টুপ ছন্দ ১৭। অত্যষ্টি ছন্দ ২৬। উৎকৃতি ছন্দ
৯। বৃহতি ছন্দ ১৮। ধৃতি ছন্দ

অথ সমবৃত্তং

উক্থা ছন্দ। একাক্ষরাবৃত্তিঃ। ময়েক ১ না লেংবা পদ।

(১) তৌ, কৌ,
থৌ, তৌ।

ব্যাখ্যা—(নুয়াং) তৌ লৌরগা খৌ তৌবীয়।
পদ ৪=পদ্য ১। গুরুবর্ণনা লেংগদবনি।

(২) কৌ, কৌ
কৌ, শূ।

ব্যাখ্যা—কৌ কৌরগা কৌ গুরো ; পদ ৪, পদ্য ১।

অত্যুকথা ছন্দ

দ্বাক্ষরাবৃত্তি:। ময়েক ২ না লেংবা পদ

তিঙোং কাঙোং,
কালেন্ তেম্পাক্।
খোঙলী, চেক্রা,
কৈরা থক্রো।

ব্যাখ্যা—ঊগী ঊপাদা তোংলছনা, তিঙোং কাঙোং হায়বা ঊচেক্রা খোংাল। পদ ৮, পদ্য ২। গুরুবর্ণনা লেংগদবনি।

মধ্যা ছন্দ

ত্র্যাক্ষরাবৃত্তি:। ময়েক ৩ না লেংবা পদ।

মৈ ঈশিং, অতিয়া
পৃথিবী, নুংশিংনে,
মপ্তামক্ পঞ্চভূত,
হায়ছনা কৌনৈএ।

ব্যাখ্যা:— মৈ ঈশিং, নুংশিং, অতিয়া অমসুং পৃথিবী ৫ মকপু পঞ্চভূত কৌই। পদ ৮, পদ্য ২।

প্রতিষ্ঠা ছন্দ

চতুরক্ষরাবৃত্তিঃ (মযেক ৪ না লেংবা পদ)

মীতৈ পোকপী পোঙনা লৈবী
মপীজানা কল্লকবী ।

ব্যাখ্যা ঃ— মণিপুর মাতাসি য়াম্না চাউথোক্না (পোঙনা) লৈবীনি, মমাক্না হায়বদি প্রদেশশিংনা কল্লক মীহৌনৈ (কল্লক্কৈ) পদ ৪, পদ্য ১।

সুপ্রতিষ্ঠা ছন্দ

পঞ্চাক্ষরাবৃত্তিঃ (মযেক ৫ না লেংবা পদ)

অঙম্বা কনা. অথৌবা কনা
নৈদিরি মালেমদা লাও লাওনা ।
লৈপাক মমাংদা, চোংথোরকউনা ,
করিগী কিনা তুমিন লৈরিবা ;

ব্যাখ্যা ঃ— অকল অথৌ কনা লৈরিবগে লৈবাক অসিদা , লাকউ, লৈপাক মমাংদা চোংথোরকউ করিগী কিদুনা তুমিন তুমিন লৈরিবনো ? পদ ৮ পদ্য ১।

গায়ত্রী ছন্দ

ষডাক্ষরাবৃত্তিঃ (মযেক ৬ না লেংবা পদ)

অয়াম্বা চেক্লানা, কৈরানী খক্তদা
কোলোই লুংশিবা, লক্লিবা তারোনা ।

ব্যাখ্যা ঃ— উগী উপাদা তোংলগুনা উচেক অয়াম্বনা (ময়াম্বা) লুংশি লুংশিরবা মখোক্নেম্না খোঙলিবসি তারো । পদ ৪, পদ্য ১।

উষ্ণিক ছন্দ

সপ্তাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ৭ না লেংবা পদ)

অশুবগী মনাক্তা, অনংবা মী অমনা।
মফি মোত্না শেন্দুনা হঙ্গচৈ কপ্লাউনা,

ব্যাখ্যা :— মফি মোত্না শেংপা, লাইরবা মী অমনা, অচৌবা মী অমগী মনাক্তা চংজরক্লহুনা কপ্না কপ্না ঝা হঙ্গচৈ। পদ ৪, পদ্য ১।

অনুষ্টুপ ছন্দ

অষ্টাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ৮ না লেংবা পদ)

(সংস্কৃত ভাষাদা অনুষ্টুপ ছন্দ অসি য়াম্না চৈ)

পেনা খোংবা তাদা খোহ, পেনাবু খোংবা তাদও:,
নচম্না জগোই শাজবা জগোহ খোংলৈ চানবা,
হা খোংবীয়ু হা খোংবীয়ু, পেনাবু খোংবা তাদও:।
জগোই খোংলৈ চানবা জগোহ পেম্না শাজগে।

ব্যাখ্যা :— হে পেনা খংবা তাদও। নচনশিংনা পেম্না জগোই শাজগে; জগোই খোংলৈ কাইদনবা পেনা খোংবীও। পদ ৮, পদ্য ২।

অদুঙৈগী মণিপুর মা তাংসিরা ?

(অনুষ্টুপ ছন্দ)

শান্তি দেবীগী য়াত্তাক্কম
প্রকৃতিগী যাঙ্গোয়ক্কম
উমং লাইগী শাঙ্কম
মণি য়াই পুখা তুংলক্কম ।।

অনোইবা শকচু থোকলগী,
ফিজেৎ লৈতেং য়াৎলমদবী,
মণিপুর মাতা সিরা ?
অহুঙৈগী মণিপুরী ।।
মণিপুর অহুঙৈগী,
মণিপুরসি মানদেদা ।
চীঙতম খুংলা কুংমা হৌবা
ঊপাল হৈপাল ময়াম্মা ।।
য়াম্ন-য়াম্নগা হেন্নবা,
চাবগী লোইথম লৈতবা ;
কেন্দুনা পংতুনা য়াংখি ,
৩ ১ ২
হৌজিক য়াদা ঙংবা ফংজি ।।
চহি মঙাগী তরাগী,
ফৌ অরীবা কৈদ পংখি ।
হৌজিক কোনৌ ঙাইঙমদ্রে ।
২ ১
মীরৈবাকগী পুশিল্লে ।।
চানবা পোৎ পুম্বা কান্দেং,
ফালা খদক তোংখৎত্রে,
লাইরবা হিংকম লৈতরে,
খৌরি চরম্বু মেৎপিরে ।।
হৈমাগী কোকথুম্বীগুম্বু,
চীংদা লৈরবা ঊমংবু,

মশ' কুপ্পা চরৈ কিণ্ডম
তমদা হৌরম্বা ঙঙলবু ।।
পুমকোক কোকনে মাতাসি,
লুকোকপী লশোইবী মাল।
নিংথিখোং পুম্লেন থকংপাং,
ইকোপ, বাইথৌ, ঙাচৌপাং, ।।
সনাপাং অসিনচিংবা,
পাংচাও মম্নামগী ঙানা,
চাঙমদনা ঙাপুম তাবা,
অনাগী ঙাতোল লাইতং (তৌবা) ।।

(হৌজিক্কি) ঙাতোলবু থাবক হায়জিল্লে,
অমদা লুপা লৌরেনে।
থৌদো মতাসি উরগা ;
পুক্কিং রাদবা ঙমজেনে ।
চাবা মনিং থুংদবী,
চারাম্ববী ময়াং কংবী,
ওইরেনে চন্নীতংপী,
কীজেং থুংজবী মাতাসি।
অরা ঙম্বা, থাগী ঙম্বা,
ময়াং ঙম' তথেন ঙম্বা,
বীর অথোবা পারীশিং
শেংন থাইনথ্রবগা ।।

মতুং শিনবা লৈতনবা,
মণিপুর মাত্তা মুক্তা,
ঙাওচং কৈচংনরেসে।
২ ৩ ১
ইপাই কোক ঙাওবা ছোরমে ॥
মাইক মখোল তানিংত্রে,
কুম্বো হৱাও যাওনিংত্রে,
অরাবা ঙরগা মাতাগী,
খোয়দৌ কুকই, লিরাং কোয়ে ॥
মাইথিরবী মাতাও!
ঙাইবতা কনবীখোবা
লাংথিনি নপারী খোবা।
কোকখিনি অবাবা মাত্তা ॥
পদ ৬০, পঙ ১৫ নি।

অর্থ: য়াত্তাকম=হিপকম যাকোইকম=কোইকম। শানকম=হয়াউবু, হরাউকম তুংনকম=লৈপকম। কাদেং= কাল অপাকপা য়াম্না লুম্না লোং ওমশা উপাক। কালা=অয়াংবা পোং ওয়নবা থল হায়বদি কীনা নত্রগা কাউৌওম্বনা শাবা। তোংখংখ্রে=থল মখক্তা চাপকংতুনা য়োমরে। কোকখুম্বীওম্ব= মকোক থুম্বা ফীওয়। মশা কুপ্পা চয়ে=খৈজুপ। লুকোকপী, লম্বোইবী=মরুকোকপী, ফীজোনা শেংপী লমবোইবী। ঙাপুম তাবা=লৈবীনবা কৈতহনা ঙা পুম্বা হায়বদি চাবা ঙমদতুনা পুমতুনা মাংবা। চরাম্বী=মপুক থম্না চাবা ঙমদবগী মপুক ইলাম লামতুনতা

লৈরবা। খোয়দোফুকই= শাইদো থুক থুক লাওই। পীরাং হৌরে=পী তারে থৌবা=মগুণ অমম্নুং মরিন চাওনা লৈবা।

বৃহতি ছন্দ

নবাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ৯ না লৈবা পদ)

বসন্ত লাক্লে

ঋতু নিংথৌ বসন্ত লাক্লে, খোংলোই কোকিল খোংলক্লে,
লোইমলয়ানা সিংলক্লে, লৈরাং হৈরাংনা ফিজেংলৌরে।
উরি-রাস্নিনা লৈতেংনরে, শাবি-শানৌ পুক্রিং হংলৌরে,
হন্নু-হনা কুচু কুশেলে, তাথীনিংথম চেনখ্রেসে।

ব্যাখ্যা :— ঋতুগী নিংথৌ (অথোইবা) বসন্ত কৌবা ঋতু হৌরকপদা, বসন্ত ঋতুগী খোংলমনাই কোকিলশিং খোংনরক্লে; মলয়া নুংশিংনা লিরি লিরি শিংলক্লে। হায়বদি বসন্ত ঋতুদা কোকিল খোংবা অমসুং মলয়া নুংশিংনা ভপ্পা ছন্দা অসি বসন্ত ঋতুদা থৌগলগুবনি। হৈ পাম্বী, লৈ পাম্বীশিং ফি অহনবা হোংলে, হায়বদি থুমু হল্লে ময়োল চোংলে)। উ, রাশিংনসু মনা অনৌবা কেনথিহনা মনৌ চোংখৎলে (ফিজেং লৈতেংবা মাঙ্গে) শাবং লৈমাবীশিংগী পুক্রিং নৌরে, (হরাউ-কুম্মৈ, হাউশং, চৈরাউবগী রাথল অনৌবা অমসু মপুক্রিংদা চংনরে)। অহল-শিংনা তাথীবা নিংথম থা লোইশ্রহনা হকচাংগী অরাবা কোকখ্রে। কুচু কুমেল থোকপা হৌরক্লে। পদ ৮, পদ্য ২।

পঙক্তি ছন্দ

দশাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১০ না লৈবা পদ)

হয়োনে ছন্দ মরু

হে-মৈত্রপাকী ছাত্র ছাত্রীশা। লৈহাউ চেনবা মক্ষম ওইবা।
নংগী নংগী খঙ্গে ই লৈকোন্দা, হয়োনে ছন্দ মরু হরাউনা।
চাইমু ঈশিং হৌনব থুনা, হৌরনি ছন্দ চাম্না লাইনা।
ছন্দ পাম্বী উরেপ ফারবদা, শাংলকনি লৈরাং শোইদনা।
মাতৃ ভাষানা লংজা ওইরগা, খোর্জৈ কলম য়েত্তুম্না লেংহনা।
পরেং পরেং ছন্দ শীঙেল লৈরাং, হক্রো সাহিত্যগী শ্রীকণ্ঠদা।
শ্রীমূর্তি অমর তৌরো দর্শন, শক চু খোক্লে, ওইরে লমঙান।
শক্লে মঙমত্থদা চীঙ্গোক পেশ্না, জয় ওইরে মণিপুর মাতা।।

পদ ১৬, পঙ্ক্ত ৪।

ব্যাখ্যা : হে মৈত্রপাক ছাত্র ছত্রী পুন্নমক! লৈহাউ চেনবা (মরু মরাং হল্লগা চাম্না তৌবা অমম্বং চাউবা থুবা) লৈপাক্তা মাম্বা নখোইগী খম্মোহ তুংদা, হরাউ হরাউনা ছন্দ মরু হক্রো হায়রবদি ছন্দ মশক খংনবা লাইরিক তমহৌরো। মরু হৌনবা ঈশিং ভত্তন চাইবগুম, ভস্ম করগা ছন্দ জ্ঞান ফারনি। ছন্দ পাম্বী উরেপ ফারবদা শাংশকনি লৈবাং শোইদনা হায়রবদি ছন্দ জ্ঞান মপুং ফাবদা, কবিত্ব শক্তি চংগনি। কবিত্ব শক্তি চংলগা, মাতৃভাষানা লংজা ওইরগা, খোর্জৈ কলম য়েত্তুম্না লেংহনা হায়রবদি মাতৃভাষাগী শব্দশিংনা লৈরাং মশক ওইহনা কলমনা য়েত্তুমগী মহৎ শিনবগুম, লৈরাং লাইরিক মরাম লেংলহনা হক্রো সাহিত্যগী শ্রীকণ্ঠদা (হক্রো=কচ্চো, হাপচো, ফোংক্লো,

শ্রীকণ্ঠদা=মণি শিকংদা. ভক্তা, হায়বদি সাহিত্যন। মণি ওইরগা, মণি অহু থক্কম— অর্থদি সাহিত্য পুকৈ মীতৈ সমাজদা)।

শ্রীমূর্তি অমর তৌরো দর্শন। শ্রীমূর্তি=শকম, কিতম। তৌরো দর্শন=মিথিত্না য়েংউ। শকচু থোকলে=মশক থোক্লে। ওইরে লমছান=মীরমদা ভাম্বোইরে, মীরৈপাক মচানা ইকাই খুম্বীনা সাহিত্য অমা ওইরে শক্লো মতমক্তদা, চীনোই পেনা জয় ওইরে মণিপুর মাতা=অতুম ওইরবা মতমদা, মণিপুর মাতানা জয় ওইরে হায়দুনা চীন পেম্ব ঈশৈ (শক্করো) শকুরসি।

* অমর=অমাং অতাক লৈতবা সাহিত্য=লৈশেম্বদগী হৌজক ফাওবা চহি লিশিং কয়া কয়া লৌখ্রবনো? নিংথৌরোন কয়া মাংখি —মশীং নাইদে তাবা সাহিত্যাদ অমাং অতাক লৈতনা অসুম লৈহৌরি--মশক থরা হোংলবগ্ন অমর ওইহৌদুনা। রাম, রাবণ, মশক উখিদবে। রামায়ণদা লৈহৌরি। কৌরব, পাণ্ডব লৈখিদরে মহাভারতদা অমুক্তা থংবা থুপথরে, মীতৈ পুয়া পুরান সাহিত্যাদ মুক্ত. মশম আমনা সাহিত্যবু অমর কৌবনি।

ত্রিষ্টুপ ছন্দ

একাদশাক্ষরাবৃত্তঃ (মখুক ১১ লং লৌবা পদ)

চানবীরসম্ব তেংবানবা মপুন. কণ্ডদা পুকচেল্ থাদোকচম্ববা,
অমগা অমগা মুংশিচায়বা, পীনবীযুকো হবুংঙো নহাক্লা।

ব্যাখ্যা ঃ- হে ঈশ্বরঃ নমাহ ঐখোয় পুমনক্কু, কত্তবা পুকচেল্ থাদোক্লগে, ঐখোই মশেল্ মুংশিনবা লোয়মগে, মাস ভম্ববা হবুংঙো মহাক্ল. ঐখোয়দা পীনবীরো ইবুংঙো পদ ৪, শম্ভ ১।

জগতী ছন্দ

দ্বাদশাক্ষরাবৃত্তিঃ (মখেক ১২ না লেংবা পদ)

ইশৈস্থ হেজদা, লৌশিংস্থ লৈজদা,
ইরনস্থ লৈজদা, পাঙ্গনস্থ লৈতবা।
করিনা তোশিবা ? সেম মরাং কাইনা;
লৈপাক্লেমসিগী, থরাই রাক্লেদো।

ব্যাখ্যা ঃ— মহৈ, লৌশিং অমসু পাঙ্গল এগী অমত্তা লৈজদে। দেশকী সেবাগীদমক্তা পুখাক্লবাই ইপোং অমত্তা লৈজদবগী ইথরাই অসি যাম্না রাক্লেদা, খম্লু-খম্নুবগা পদ ৪, পদ্য ১। মখেক ৬ দা যতি লৈ

অতিজগতী ছন্দ

ত্রয়োদশাক্ষরাবৃত্তঃ (মখেক ১৩ না লেংবা পদ)

বর্ষা ঋতু

বর্ষা ঋতু সংস্কৃতা, মৈতৈদা লোংজুথা,
সৌর হডা হঙ্কেহ কালেন্লোম্বথরগা।
সিদা নোংমডছুনলে, অতিয়া মকোই,
নোংখেংই, নোংতাম ভাই, হরাউহ হডোই।
মাইশ্রে ঊশিং ঈলোম, খোঙ্কেন রাংনা খোংনা,
পাংকোম্ ছুরেল্ ছুখল্, স্বাহ পাই ঈশিংনা,
অরা অনা থিনদে, লৌমী পুন্নমক্লা।
থরাই থুপাক্লা হাংপ, হোংনৈ লৌ পামবা।

ব্যাখ্যা ঃ— কালেন্থা লোমথ্রগা নোংজুথা হৌরকই। নোংজুথাবু সংস্কৃত ভাষাদা বর্ষা ঋতু কৌই। সৌর হায়বাদ সুমিংকী খোংচৎ

মতুং ইন্না শাবা, ইভা, ইভেল থা অনি অসিবু নোংজুখা কৌই। নোংজুখাগী মতমদা, সোয়ারেন লৈপাক নোং ইমত-মন্নহনা লৈ। নোং খোংগল্লি অমসুং নোং চুগল্লি। ঈশিং ঈনৌ তারকপদা, হভোইশিং য়াম্না হরাউই; হরাউহনা ঈশিংদা চোং-কন্নুনা, হভোইশিং খোজেন রাংনা খোংল খোংলগা শাট্নৈ, পাৎ অমসুং তুরেলগী মপুক্ ঈশিংনা পিক খল্লি। লৌবুক্তসু ঈশিংনা মরাং কাইনা লৈ। লৌউবগী মতমসু চপ চাই। লৌউবা মীশিংনা, মথন্নাই য়াউনা অন্না-অনা থিদনা, লৌখোইবা, কৌদি হনবা, লৌ লিংনবগী থবক কয়া হোৎনৈ। পদ ৮, পন্থ ২। ময়েক ৭ গুবদা যতি লৈ।

সর্ব্বরী ছন্দ

চতুর্দ্দশাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১৪ না শাবা পদ)

লক্ষ্মণনা শূর্পনখাগী মনাতোন ককপা

(১)

য়েন্দেম থরাক শোইবগুম্ লাম্বোবা লক্ষ্মণা,
শোইদৎলে নাতোল্ খড়গ অখৌবা পায়হনা,
শূর্পনখা মায়াহৈবী, সংক্লোন পুরবাগী,
সংক্লোন হন্নিনখি হিংচাবী, শুন্দা পাইখৎখি।

ব্যাখা :— লাম্দা থৌনা কবা লক্ষ্মণনা মখুত্তা খড়গ অখৌবা অমা পায়রহনা, মায়া হৈবী হিংচাবী শূর্পনখাগী মনাতোল্ শোইদৎলে— য়েন্দেম থরাক থাংনা শোইবগুম্না। মায়া তৌনা ওনবা, নুপী মথোক কারকপী মশক্ হায়রিংভাই লৈতনা কজবীগী মশক (শকম) অহু

মাংখরে , শূর্পনখাগী মশাগী অতাবী অকীবা শকওংদা হক্তিনখিছনা অতিয়াদা পাইখৎখি। পদ ৪, পদ্য ১। ময়েক ৮ গুবদা যতি লৈ।

অতিশক্করী ছন্দ

পঞ্চদশাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১৫ না লেংবা পদ)

(২)

গুহা মানবা লাউকুৎ মিত্তা, মশয়গা চপয়ুংবা ;
চুমনৌ মানবা ঙাংশং ঙাংবা, খুজিন হুইমুক শাংবা।
গকয়া মানবা হুয়া অনি, লৈ শাংনা তিংথোকলগা ;
লাউথরকই শূপ্পগী। ত্রজ থাবা মথোম্না।

ব্যাখ্যা ঃ— শূর্পনখাগী মমিৎ অয়াউবা অনি অদো গুহাগুম্না কুংলি। মশমদি চপয়ুংনা হৌবা, চপৌ চপৌবা, ঙাংলি ঙাংলি তৌবা ই, চুম্নোগা মাম্নৈ। মখুজিন্ হুইগীমুক (ইক্তি ৮ মরুম) শাংই। ময়া হুয়া অনিচু লমওক লাবগী ময়া খিন্দোরকপগুম খিন্দোকই। মরৈ অনি খুনিংমুক শাংনা তিংথোকলগা বজ্র তাবদা হৌবা মথোলগা মামবা অয়াকপা মথোম্না আকাশতগী লাউথরকই —শূর্পনখা পদ ৪, পদ্য ১। ময়েক ৮ দা যতি লৈ।

অষ্টি ছন্দ

ষোড়শাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১৬ না লেংবা পদ)

অরে লক্ষ্মণ তাবো তাবো', হায় ! নমিত্তনা শেংনা ,
বনগী উহৈ-রাহৈ চানা, চেক্লাওম্ মতম লেপ্লিবা।
নমু মী শাউশোনবা নং, নবেম্মা ঐবু থংবয়া ;

স্বর্গ পাতালগা থানা, দিগ্ তরা বিজয়ি বীর।
নিংথৌশিংবু লোয়চল্লব, লাক্তরুরা খোগল্লিবা,
মমিং তাক্রা স্না লঙ্কাগী, রাবণনা কোক্তরা পানবা।
মিং পনবদা পৃথিবী নীকপা, পৃথিনা মকো ক্লোঞ্জনবা।
ঐদি মহাকী মচল্লি, ইমিং কৌই শূর্পনখা।
নংগী শকক্ম উরবদা, প্রেমগী ঈখৌবরক্তনা,
ঐবু অপাম-ফুংশি লাংনা, উপ্পীবগী হেনফদন।
মী নখোয়শে ইচৌজাক্লি, খংনা অংনা তোক্কে মাক্কে।
নংবু পত্তি বরিরগা, স্বর্গগী ইন্দ্র কাপ্পীগে,
ফুংঙাইনা লৈফিন্নগে, ঐ পক্তারাণী লাবগা।
নথোংজিন্দা চংজববু, প্রেম হেক্নাবৌন লান,
থাংনা যানক্তনা তাথোক্লে লৈত্রেনে
নারেমে। ইবুং তাক্রুগা, লংগী স্নগংন্ন য়াংনু...॥

বিশদ-ব্যাখ্যাঃ— ...লক্ষ্মণ নমিত্তনা... উময়ুংদা পংপান পানবা, উইহ মাপ্পলনা, উচেক্ম মিং... পানবা, নপাজল লোনবা লক্ষ্মণ। নবেন্মা ঐশ... নবা? স্বর্গ থাগা থানা মাইকৈ ১০ বু থুক্তম চনবা ফল্লবা, পৃথিবীদ লেবা নিংথৌশিংবু লোইপোং কাহনব জল্লবা, ব্রহ্মা, ইন্দ্রনফিংদা কাক্ত মরাম্না খোগল চংলিবা, মমিং হেক পনবদা পৃথ্বীনা চাংনফি পৃথিবীদ লৈবা জীব পুন্নমক থক থক নীক্তুনা মক লুকথরিয়। মাকাক ১০ পানবা, স্না লঙ্কাগী রাবণ নিংথৌগী মমিং তাক্তবং নং তাক্রবরা? নবেন্মা ঐদি অক্তুগুম্বা রাবণগী মচল্লি। ইমিং শূর্পনখা কৌই। ইপুক্তো লৈবা বা হৌজিক লেংদোকখ্রগে। তাও হে লক্ষ্মণ! তাইবং মী

নখোয়রবু, হিংচাবা, হিংচাবী ঐখোয়না উরগা হেক ফাঙনা চাই। ঐখোয়গী ইচীঙাক্কি মী নখোইশে। মী নংগী নশক উরবদা ঐ নংবু চাগে নিংখিরে। নংগী নখোংহামজনা সেবাজম তৌজগে নিংলে। করিনা কাম্নববু, মী নখোয়গী মপুংদা অপাম্ব ফুংশি লৈনবগুম্না হিংচাবা হিংচাবী মনুংদগী অপাম-ফুংশি লৈনৈ। পঞ্চবটী বন অসিদা, অহিং অথেংবদা ঐ ইচঙাকখিবা লাকপদা ঐ নংবু ইত্তত্তনা উই। নংনদি ঐবু উরিরোই নশক উবগা, ইপুক্লিংদা অপাম-ফুংশিগী মাগ হৌরকই। নমু মী নখোয়গা ঐখোয়গা লাম্না চানদে খম্মুনা ঙম্না মথৈ ইপুক কাবা হোংলরম্মী। নংবু উর উরগা হেন্নজম্ অপাম ফুংশিগী মশক ঐবু থুমহংখরে। থাম্বা মাখিদরে ইপুক্লিং।

ঐগী থবাই মঙাগা লোইননা, তকাং অসি লম্মুংগী খুগা-খাদা পুম্নকং কথোকশ্রগে, সোরারেনগী মিংথৌ চন্দ্রগী তাংলম্দা নংবু কমকল্লগা, ঐনা নংগী ওইদা শচীরাণী শারগে নীংজন, নংঙোলদা চংজগে নীংখি ঐখোয়গী শকোই শক্রগদি তাইবংমৈন শুকরেং-মেংনিংদে, কিজুম কি হায়নৈ, ঐখোযবু মী নখোয়ন য়াম্না হঙ্গোইনৈ। হিংচাবীগীদি—নাঙোন্ পাক্লা, নম্বা, শম্পৌবা, শম্ ঙাংবা, শম্ চপ্ যুংবা, মিং শুহামান্না কুংপা, মিং পা থোকপদা শুহা মনুংদা থানবা থাওমৈগুম্ লংনা উবা, লাইপক তোংবা, চীনবান্ চাউবা, মাথকী হন্না অনি চৌবা লমগুক্ লাবগী য়াগুম থিনদোকপা, হন্না অনি অজনা চীক্তুনা শেক্তুনা চাব ফুংঙাইবা, মী মরু, শাম্মরু প্রেক ২ শাইজুন বেশন ঙাবা ঙম্বা য়া অকনবা, অহুগা অমম্বদা লেপ্তুনা লৈবদা, শক্ উদনবা মুশিল মুবা কুচু,

অসি পুন্নমক্সি কজৈ হায়নৈ। ঐগী শকস্থ হৌজিক লৈরিবা, হিংচাবগী মৌ নিংঙোল মরক্তা ঐগুম্ শক কজবী লৈতে হায়নৈ। হৌজিক লৈন্নিবা হিংচাবা শাগৈ-পুন্নমকসি ইবুং রাবণগী মথা থাবা ঙাক্কনি। মরম অক্তুনা ইবুং কিবনা কনা অমত্তনা ঐবু হায়বিরক্তে। মী খংদে, লাই খংদে, অপাম্বা মকমদা নয়ুম পাখৌ হায়না ইবুংনা ঐঙোম্দা ঙাকপী। সোরারেনগী অমরাপুরী কোম্নুংদু ঊনবীগে হায়বী। মরম অসিনা নীংতম্বী ওইনা ঐ কোইচৎ চত্তনা লৈ। লম্মণ নংগী নকমদা চংজনীংবনা, কজৈ হায়নবা হিংচাবী ঐগী শক্তমসি, মী নং পাগ্লোইদবনি খন্দুনা মীনা য়ায়া পায়বা সোরারেনগী জগোই শাবী রম্ভা, তিলোত্তমা, উর্ব্বশী, মেনকা, কজৈ হায়না ঙাংনবা শককম অঙ্দগীস্থ হেয়া কজবী শানা, নকমদা চংহনা হায়জক্কবনু, খড়্গ অথৌবনা ইনাঙোল লেপ্পুংপীরে। শাঙোম্লেপ্পুংপীবগী থোইনবু শাওনিংদে। নিংথুংহন্দবগী য়ায়া শাওনীংদে। ঐগী আশা থুগাইবগী লমন্দি ইবুং রাবন্দা ঙাক্কনা শিংহন্নগে। নংগী মবংখ মুংহন্নগে। খংউ! নপুংসক লম্মণ।

পদ ১৬, পত্ত ৪। ময়েক ৮ ঙমদা যতি লৈ।

অত্যষ্টি ছন্দ

সপ্তদশাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১৭ না লেংবা পদ)

রাবণগীদি মনাও শূর্প   নখাগী মবুং অনি ;
লৈরম্বা দণ্ডকারন্ত বন্দা,   খরদূষণ কৌবা।

চংথি অহানবদা শূর্প নখা,   তুরহন্না হারকখি।
মবুং অনিগী মকমদা মানা,   কপ্না হিক হিক লাউনা।
পদ ৪, পদ্য ১। ময়েক ১০ তবদা যতি লৈ।

ধৃতি-ছন্দ

অষ্টাদশাক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১৮না পেংবা পদ)

রাইকবী কৈকয়ী রাণীনা,   তাম্হোক্নুনা বন্দা লৈবা
অযোধ্যাগী লাইবক চাওবী   কৌশল্যা মচা রামগা;
লাইবক থীবী সুমিত্রামচা,   মরাইপক থিবগনা
তৌবিরিবা নচনগী ফিভমসি   য়েংউসে নমিৎ থিত্নুনা।
ময়েক ১০ তবদা যতি লৈ। পদ ৪, পদ্য ১

অতিধৃতি-ছন্দ

ঊনবিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ১৯না লেংবা পদ)

করিসু তৌজদবা লান্দবা   ঐবু মখোই উরহনা
তামরহনা ফুবী রৈবীরেনে,   লোচাবা মশবু তৌবওয়া,
রাবণগী মচমি, তৌগনু,   ইবুং অনিমসু লৈরিএ
হায়ববু; উশিত্তে নখোইবু   মীচৈ থীনা চৈবীরকইএ।
ময়েক ১০ তবদা যতি লৈ। পদ ৪, পদ্য ১

কৃতি ছন্দ

বিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ২০না শাবা পদ)

নমিং পল্লগা অমুক হেন্না   শাউথিহনা ঐগী নাত্তোনবু;
ককথৎলে মচিনমনাও চংনা,   হায়বীরৈ, তাকচৌ নবুংশিংবু।

লাম্বা তৌনসিদো মখোয়শিংগা, কৈদৌজরনি নবুংশিংছনা ;
উকু শেৎপা উহৈচান', হিংবা। কয়াদা পোঙছনা ভাংশারিবা
ময়েক ১০শুবদা যতি লৈ। পদ ৪, পদ্য ১

প্রকৃতি ছন্দ

একবিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (মযেক ২১না লেংবা পদ)

অহিং সুংথিল চাকশিন নাইনা, ব্রহ্মা, ইন্দ্র, বায়ু যমনচিং ,
খোগল তৌররিবা খাযুমশিং, অচুশুম্বা রাবণ নিংথৌনি।
অচুগীস্ম মনাউনি নখোয়াদ, নমু ইচিম্মাকনি তাইবংমৌদি,
উশিং খোওইদনা ভাংবা তাদ্রুনা, হিংছনা লৈনিংত্রা নখোইশি।
মযেক ১১ শুবদ যতি লৈ। পদ ৪, পদ্য ১।

আকৃতি ছন্দ

দ্বাবিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (মযেক ২২ না শাবা পদ)

নরিল লৈত্রগস্ম হায় হায় হায়।
হিংচাবী সুপীগী লাল হোরুগে।
পঞ্চবটী চাথাইরুগে মিকুপ্তা,
রাম লক্ষ্মণ থুনা কারুগে।
ভারৌ লৌনা চাখোকে, ইপুক পেন্না ,
মাত্তোল করুণা লম্মল শিংজগে।
নরিল লৈত্রগস্ম হায় হায় হায়।
সুপীগী লাঙ্গোং থুনা শিল্লুগে॥
মযেক ১২ শুবদা যতি লৈ। পদ ৪, পদ্য ১।

বিকৃতি ছন্দ

ত্রয়োবিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ২৩ না শাবা পদ)

অমতা ওইবা মচল সুংশিপ্রবী,

রাক্ষা থুমপ্রবা নাওথী শাবা রা

রাহৈ পুক্লিং থোগৎরোলবু ওইবা,

তাবিরে খর দূষণ অনিনা

কোলোয় চিনপাও পীরে সুংশি রাহৈনা,

ইচল সুংশিথোইবী থাদোইও

নবুং ঐখোই অহুমশুনা নৈরিংঙৈ

ইচলবু কনা লাকচ ওমগনো।

ময়েক ১২ শুবদা যতি লৈ। পদ ৪, পদ্য ১

সংকৃতি ছন্দ

চতুর্বিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ২৪ না শাবা পদ)

ইচল সুংশি হায়ুনা। নংনা অপাম্বা

রাম লক্ষ্মণ অনিমকপু হাৎলুরা ?

পুরকউরা কাক্কছুনা ননাক তামা,

ইচলনা হায়বতা তৌগনিদা

মবুং অনিমা চীনপাউ তারছুনা,

শূপনখা হরাউ নোককেৎ তৌনা

খুমখি ; হাৎকনু মচিল মনাওনিবু

শামগে হাপ্তুনা লাইথী লুপারুদা।

ময়েক ১২ শুবদা যতি লৈ পদ ৪, পদ্য ১।

অভিকৃতি-ছন্দ

পঞ্চবিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ২৫ না শাবা পদ)

অহুপী মতুং খোকপদা খরদূষণনা ;
লিশিং তরামরি লাম্মী হিংচাবা ,
শিংজং পায়বা লিরুং পায়বা গদা পায়বা ,
থাং পায়বা তা পায়বা ময়ামগা ।
মকোক্ অনি, অহুম, মরি হেন্নসু লোংবা,
শকওই শকুম অকিবা কংবা ;
পাইখৎখি খকলোমদা পুম্মম-ময়া ,
মুংখিলদা থাম্মি নোংয়াই মালেনা ।

ময়েক ১৪ শুবদা যতি লৈ, পদ ৪, পদ্য ১ ।

উৎকৃতি ছন্দ

ষড়বিংশত্যক্ষরাবৃত্তিঃ (ময়েক ২৬ না শাবা পদ)

পুমনিল নিলখি অতিয়া শিনবা থুংনা,
পাইশিল্লক্লে রাম লক্ষ্মণ তম্না
রাম লক্ষ্মণ মথুত্তা লিরুং পায়হুনা
তেঙ্গোংদগী তেন অথোবা সত্তনা
কাপখি, থুনা মাংনা হিংচাবগী মায়োক্তা
থুকাপ খুদিংদা তেন্না পাইখিহুনা
ককখি ওক, খোং, খুৎ, পাদোম হিংচাবশিংগী
পৃথ্বী কুপখরে অশিবা মশাতনা

ময়েক ১৪ শুবদা যতি লৈ, পদ ৪, পদ্য ১ ।

লৌকিক্

পয়ার অমসুং ত্রিপদী ছন্দ

পয়ার অমসুং ত্রিপদী ছন্দ সংস্কৃতগী বৈদিক ছন্দ লাইরিক অরিবদা য়াউদে, বাঙ্গালা লোনগী রামায়ণ মহাভারত অমসুং ধর্ম্ম লাইরিক পুম্নমক ছন্দ ২ অসিগুম্না লেংখিবনি। হিন্দী অমসুং তেখাওলোন্দসু ইনৈ। হৌজিক স্কুল পাঠ্য লাইরিকসু চংনরি মখোয়গী। মসি লৌকিক-ছন্দনি।

পয়ার-ছন্দ

পদ্য ১

পদ অনি অনিনা শাবা, পদ ১ বর্ণ ১৪ না লেংবা; বর্ণ ৮ গুবদা যতি লৈবা পদ ২ মক্কী অরোইবা বর্ণ স্বর মাম্নদা থম্বা অসুমু পয়ার ছন্দ কৌই। পদ ২ না পদ্য শাবগী দ্বিপদী ছন্দ হায়বসু য়াই।

উদাহরণ — প্রাচীন বাঙ্গালা পয়ার-সত্যনারায়ণ পাঁচালীদগী
(৺রামভদ্র কবিনা লেংবা।)

হাস্তিনা পুরীতে পুরা, পাণ্ডবভূপতি।
একদিন যুধিষ্ঠির, গোবিন্দ সংহতি॥
বিরলে বসিয়াবহু, করে আলাপন।
করপুটে যুধিষ্ঠির, করে নিবেদন॥

++++++++++++++++++++++++
++++++++++++++++++++++++

পদ ৪, পয়ার ২। বর্ণ ১৪ না লেংবগী বৈদিক্তা শর্করী ছন্দ কৌই।

অর্থ— হস্তিনা পুরিতে—হস্তিনাপুর কোনুংদা। পুরা (পুরা কালে)—খায়না মমাংতৈদা। পাণ্ডব ভূপতি—পাণ্ডবনিংথৌ। একদিন—নোংমা। যুধিষ্ঠির—যুধিষ্ঠিরনা। গোবিন্দ—শ্রীকৃষ্ণগা। সংহতি—লোইনচুনা। বিরলে—চীক্লা। বসিয়া—ফম্রুচনা। বহু—য়াম্না। করে—তৌরে। আলাপন— য়ারি শান্নবা। কর পুটে—মখুৎ চাংজৌ লোম্নচুনা। যুধিষ্ঠির— যুধিষ্ঠিরন'। করে—তৌরে। নিবেদন—হজৎচবা, হায়জবা।

ব্যাখ্যা— খায়না মমাংতৈদা, হস্তিনাপুর কোনুংদা নোংমা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনচুনা ফম্মিন্নরগা চীক্লা কথা আলাপন (য়ারি শান্নবা) তৌনখি। মখুৎ চাংজৌ লোম্নচুনা যুধিষ্ঠির নিংথৌনা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা (মথা চত্থবা য়া) হজৎচখি।

পয়ার ছন্দ অসি মৈতৈ কবিশিংন' চপচানা লেংবা, শৈরেং লাইরিক্তা থেংনদে। কবিতা ১ গী মনুংদা পদ ২, ৩ দি হায়কেং মায়বা উই।

মৈতৈরোন্দা অশেংবা পযার-ছন্দগী উদাহরণ। লেপক্লা লেংবা

পল্হৌ য়াশকপা ভাক্কবা শ্রীরামচন্দ্রনা,

বন্দা লেংখি 'মা পোক্কবী, কৈকেয়ী খুজিন্না।

মরান করম্বা লৈচনা, বিধিনা তাখিবা,

নোংখোংদনা বক্কতাবা, মাম্নখি অযোধ্যা।

পদ ৪, পর্‌রার ২, বর্ণ ৮ শুবদা যতি লৈ। পদ ১ গী অরোইবা ময়েকী স্বর বর্ণ মানৈ। বর্ণ ১৪ না লেংই।

ত্রিপদী ছন্দ

ত্রিপদী মখল ২ শুই। লঘুত্রিপদী অমসুং দীর্ঘত্রিপদী। আসামগী সাহিত্যদা—লঘুত্রিপদীবু "নেচারি" অমসুং দীর্ঘত্রিপদীবু "ছবিডী" ছন্দ কৌই।

লঘুত্রিপদী— পদ ৩ না লেংই। ময়েক তরুক তরুক্তা লেংবা পদ ২, মথক্কী পরেংদা থমই, মথাগী পদ অহুমা ময়েক ৮ না লেংই। ময়েক তরুক তরুক্তা লেংবা পরেং ২ গী অরোইবা স্বর মান্নবা থমই। ৩ শুবা ময়েক ৮ না লেংবা পরেংগী অরোইবা ময়েক্কী স্বরগা লাক্‌দোবা ৬ শুবা পদগী অরোইবা বর্ণগী স্বরগা মান্নগনি। পদ ৬ শুজিন্নে পদ্য লোইবা য়াদে মরম অসিনা ষটপদী (মথোং ৬ পানবা) ছন্দ হায়বসু য়াই।

উদাহরণ— প্রাচীন আসামগী প্রহ্লাদচরিত্রদগী ৺শঙ্করদেবনা লেংবা।

স্তুতি (লৈশী-লৈশোনবা)

ব্রহ্মা সিদ্ধমুনি আদিও ন পারে
পূজিবে তোমার পায়।
কিবাস্তুতি-নতি করিবো হোঁ আমি
অসুর ক্রুর স্বভাব।

অর্থ— ব্রহ্মা— ব্রহ্মা। সিদ্ধ মুনি— সিদ্ধ অমসুং মুনিশিং। আদিও— অসিনচিংবনা। ন পারে— ঙমদে। পূজিবে—পূজা-

তৌবা। তোমার— নহাকী। পার— চরন্, খোং। কিবা— করম হায়না। স্তুতি-নতি—হায়জবা, নোঙবা, লৈশী লৈখোনজবা। করিবো হোঁ— তৌগনি। আমি— ঐনা। অসুর— হিংচাবা। ক্রূর— অপৈবা, শেংদবা। স্বভাব— লমচৎ, সাজৎ পুকচেল।

ব্যাখ্যা— ব্রহ্মা সিদ্ধি কংলবা মুনিশিংনসু, ইবুংঙো নহাকী চরন্ পূজা তৌবা কংনদে। হিংচাবগী শাগৈদা পোকপা, লমচৎ চুমদবা পুকচেল শেংদবা ঐনা করি খংনা নঙোনদা হায়জগদবনো? অসুর হায়না ৺নরসিংহগী চরন, খুরুমজুনা প্রহ্লাদনা লৈশী-লৈখোজখি।

উদাহরণ ২শুবা—মীওইবা

(কবি চাউবনা লেংবা থাইনগী লৈবাংদগী)

নোংদম্বা বিধিনা কপনবা শীন্দুনা
তাইবং মীবু থারক্লে।
পুন্সিগী ঈপাক্তা রাবগী ঈরৈদা
ঐখোইনা ঈরাক্লরে।
++++++++++++++
++++++++++++++

উদাহরণ ৩শুবা— লেখরা লেংবা

ইবেম্মা সীতাগা মনাও লক্ষ্মণগা
শ্রীরামগী তুংইন্নখি।
রাবিদগে থাম্বা প্রজা পুম্নমক্না
মীয়াম্না কপ্পাউনখি।

দীর্ঘ ত্রিপদী ছন্দ

দীর্ঘত্রিপদী : অহানবা পদ ২ বর্ণ ৮।৮ না লেংই। ৩ শুবা পদ বর্ণ ১০ না লেংই। নিয়ম অতৈ পুন্নমক্ লঘু ত্রিপদীগা মান্নৈ।

উদাহরণ ১বা— লৌউবা

(কবি চাউবনা লেংবা থাইনগী লৈরাংদগী)

ইমুংশোয়া তৈরকলে, চীংথৈ কিহুপ্ন হুন্নক্লে।
কাকী লপাউনা শীনথরে ;
খুনগী লৌরাং শুবনা মপোৎ লাঙোল পান্নুনা
লৌবুকী মাইগৈ তমথরে।

\+ + + + + + + + + + + + +
++ +++ +++ ++ +++ ++ ++

উদাহরণ ২ শুবা— লেখক্না লেংবা

পঞ্চবটীদা লৈরিঙৈ সীতা মথোম ঙাইরিঙৈ
রাবণ লাকখিএ মায়া তৌনা।
ব্রাহ্মণ ভীক্ষারী শানা হন্নু চৈত্ত পাল্লোয়ননা
হায়রৈনে ভাক্ষা হাপ্পীয়ু ইমা

নব্য-ছন্দ

ছন্দ অনৌবা

মথক্তা হায়খিবা, বৈদিক-ছন্দ ২৬ অমসুং লৌকিক ছন্দ ৩ অসি নত্তবা ছন্দ মথল থরা আসাম অমসুং বাঙলা দেশগী নব্য

কবিশিংনা পুথোরকই। মসিবু “নব্য-ছন্দ” কৌই ছাত্র-ছাত্রীশিংনা খংননবা, উদাহরণ য়াউনা “নব্য-ছন্দ” গী মখল খরা মথাদা ইরবনি।

উদাহরণ ১বা— বাঙ্গল (বাঙ্গালা)

একতায় হিন্দু রাজগণ
সুখেতে ছিলেন সর্ব্বজন
সে ভাব থাকিত যদি পার হয়ে সিন্ধুনদী
আসিতে কি পারিত যবন ?

+++++++++++++++++++++
++++++++++++++++++++

ময়েক ৮।৮ না লেংবা পদ ২,ময়েক ৬।৬ না লেংবা পদ ২, অমুক পরেং ৮না লেংবা পদ ১ গা পদ ৫ না পদ্য অমা শাই, ময়েক ৮ না লেংবা পদ ৩ মক্কী অরোইবা ময়েক “ন” মান্নবা থমই, ময়েক ৬ না লেংবা পদ ২ গী অরোইবা ময়েক “দি” অমসুং “দী” নি, হ্রস্ব দীর্ঘ নাইরবসু মাগৈ হায়না লৌগনি। মসি নব্য ছন্দনি (অনৌবা ছন্দনি)।

অর্থ— একতায়— অমত্তা ওইনা, পুকচেন তিন্নবা। হিন্দু রাজগণ—হিন্দু নিংথৌশিং। সুখেতে—নুংঙাইনা। ছিলেন—লৈরমই, পান্নমই। সর্ব্বজন—মী পুম্নমক, প্রজা ময়াম। সে ভাব—পুকচেল অদু। যদি থাকিত— লৈরম্লবদি। পার হয়ে—লান্দুনা, লাখোক্‌না। সিন্ধুনদী— সিন্ধু তুরেল। আসিতে—লাকপা, চংবা। কি পারিত— ঙম্মগদ্রা। যবন— মুসলমান, পাঙন।

ব্যাখ্যা— [illegible] হিন্দু [illegible] অমগা অমগা পুকচেল অমত্তা [illegible] প্রকাশংগা [illegible] পুংজাইনা পান্নমই। অহুগুম্বা কক্তনরম্ব পুকচেল অচ্চ ভুংকুইনা লৈনরম্নবদি, সিন্ধু তুরেল [illegible] ভারতবর্ষদা চংবা ওম্মান্নোই-দবনি।

উদাহরণ [illegible] উটচা থাহনগী লৈরাং (স্বপক্ক বাঙ্গলা [illegible] কাঙ্খেং চংই। থরা থেয়ে চেক্তিক্ন

শিরা

[illegible] উটচেন্দ,
[illegible] উত তে,
[illegible] কারগা;
[illegible] কনাথনি
[illegible]

+ + + + + + + + + + + + + + + অনৌরা ছন্দ
+ + + + + + + + + + + + + + +

উদাহরণ [illegible] চেতনা শ্রীযুক্ত পদ্মন [illegible] বরুয়া।

অজ্ঞান [illegible] ,
জ্ঞানর [illegible]
[illegible] পুথও,

জিনিকা পাখিরে উরি,

বিস্তারে বসুধা জুরি,

জিনিঙ্গনি যত,

++++++++++++++++++++

+++++++++++++++ : ++++

অহানগী ২শুগী ৪শুবা অমসুং ৫শুবা পদ ৪, ময়েক ৮ ৮ না [illegible] অমসুং ৬ শুবা পদ ময়েক ৬ ৬ না লৈংই। ময়েক ৮ না লৈবা পদ ৪ হুক মনা লোপ্পা ওই, ময়েক ৬ না লৈবা পদ[illegible] অরোইবা বর্ণ অকারন্ত "ত" ওই, পদ ৬ গী পদ্য ১ শাই, "নব্য ছন্দ" নি

অর্থ— [illegible] — [illegible] । [illegible] — মুখ, [illegible] । [illegible] — [illegible] তম্বোক্কুন । [illegible] — [illegible] । [illegible] — মঙাল বোনি — শুমিং (Sun) । [illegible] — [illegible] পূবত — নাংপোক্তা । জিনিকা— অঙানবা পাখিরে — [illegible] Wings । জিনিক পাখিরে— [illegible] । উরি— পাইদুনা । বিস্তারে— [illegible] । বসুধ [illegible] জুরি— সীন থুনা । জিনিঙ্গনি — অঙানবা মারকাশিং । যত মচে, [illegible] মমাম ।

ব্যাখ্যা শুমিংক [illegible] [illegible] মঙানবা, অমম্বগী মশক ওইবা, অজ্ঞান [illegible] তম্বোক্কুনা, নোংপোক মাচৈক [illegible] ওইবা, শুমিংকী মশক ওইবা জ্ঞানগী

মঙান অদু পাইদুনা, অঙানবগী মরিক মহ মশিং পৃথী শীন থুংনা শন্দোকথরে। [illegible] '[illegible]' হায়[illegible] [illegible] অসিগী অর্থ [illegible]বা (হন্দোকত্রবনি কোইথোকখ[illegible] [illegible]বত্ত অসিগী [illegible]) রাগনি)।

উদাহরণ [illegible] — ৺কবি চাউবগী [illegible]

মেরাগী থাবল

শরৎকী [illegible] থ[illegible]
মালেম চাংজো থুমবদা,
ঈরাইদা কোজেংদ [illegible]
থাবলগী ইপোম মরক্তা,
[illegible]
[illegible]

+ + + + + + + + + + + + + + + + + + + +
+ +

[illegible] অসিগু [illegible] '[illegible]' [illegible] ইবনি [illegible] মগী [illegible] অদু [illegible] অমসুং [illegible] অঙোইবা বণ যাম্রদে।

সুদীর্ঘ ত্রিপদী

মথক্তা হায়খিবা ত্রিপদী ছন্দ মখল অদুগী মথক্তা অমুকন্দ কবিশিংনা লৌথোকপা ত্রিপদী মখল থক্কী [illegible] মতুংদ — থক্কী [illegible] ২ ময়েক ৬ ৬ না [illegible], অহুমশুবা পদ্দা অদু ২ মরেক [illegible] ১১ না

লেংই। মধ্যক পরে ২ মাত্রক ৮ মাত্রা ১০ না লেংলগা অহমস্থবা পরে অ১ মাত্রক ১১ ১৪ মাত্রা মাত্রক ১৭ ১৬ না লেংই অসিগুহা ত্রিপদীবু "সুদীর্ঘ ত্রিপদী" বোবা য়াঙ মধ্যক পবে ২গী অরোইবা বর্ণ ২ মান্নগদবনি ১ শুবা পরেং ৬শুবা পরেংগী অন্ত্যবর্ণস্থ মান্নগদবনি।

উদাহরণ ১বা— ৺রাম সরস্বতী কর্তৃক লেংবা

দ্রৌপদীর বিলাপ

(দ্রৌপদী । ভেংথাব।)

দ্রুপদ নন্দিনী মনে শুনে, স্বামী সকলর বাক্য শুনি,
রাজহংস ... ... ধীর।
যথাতে আছন্ত দর হার নৃপতি সভা ... করি,
তথাতে চলিলা ... পদের ... ।

+ +

+ +

+ +

+ +

+ +

মধ্যকা পরেং ২ নয়েক ১০।১০ না লেংই। ৩শুবা পরেং নয়েক ১৪ না লেংই। "সুদীর্ঘ ত্রিপদী"

অর্থ দ্রুপদ নন্দিনী— দ্রুপদ রাজাগী মচানুপী, দ্রৌপদী। মনে — মপুক্তা শুনি - মওন, মওন থল্লমা। স্বামীসকলর— মপুরোইবানংগী বাক্য— যাদং শুনি— তারবনা। রাজহংস—

কাণ্ডা। গতি— খোংচৎ, খোংথাং। চলিগৈলা চৎলে। ধীরে ধীরে—তপ্না তপ্না। যথাতে—মফম অদুদা আছন্ন— লৈরি। দেব—লাই শ্রীহরি— শ্রীকৃষ্ণ নৃপতি—নিংথৌ। সকলে—ময়াম্না মধ্য—মরাইদা। কবি—তৌদুনা (থম্লদুনা, ফম্লদুনা)। তথাতে— মফম অদুদা। চলিলা— চৎলে। বহে— শিন্দুরে, চেণ্ণ। নয়নর— মিৎকী, মিৎলুদগী। নীর— লাঙ্গজা, পীরাং পীরেন।

ব্যাখ্যা,—দ্রৌপদী মপুরোইবশিংগী যাথং তাংকলুদা খোং-গত্তুনা, মপুক্তা মওল মওন রাখল থম্লগা নিংথৌ ময়াম্না থৌগল তৌরদুনা, মরাইদা ভাস্বোহন পরিব শ্রীকৃষ্ণগী চরণ নাক্তা চৎখি—খাংদুনা তপ্না তপ্না। মথা নঁ মহৌ নে মহৌ চৎপগুম দ্রৌপদীগী মিৎলু নাংলোম্ব অদিনগী লাইজা; পীরাংস্থু অতো অথম লৈতনা শিন্দুখিবমক।

উদাহরণ গুরা—দোশ্ত্র: চংবা।

তাইবং মালঙ

তাইবং মালঙসি মিত্রং সমুদ্রন

থল্লুরগা লৈরাং আতঙানি।

অমুক লুপথব, অমুক তাওথবা,

থম্নু তাইবং কৌবী শিঙনাংনি।

অচৌবা ঈথংনা পনকম লৈতন,

মাইকৈ থং লৈতনা পুরিডে,

অমুক লুপ্তুনা, অমুক তাওদুনা

নম্নু তাইবং উরাক্করিডে।

উঠরিত্তে শত — পেনা যন্ত্রণা,
 থন্মে ইঙ্গিতা কার্ব্ব কালেন্দা ;
পুরুণী মন্থদা — থবক ভোগদরা
 শুমদবা ভারে পারথোকহোবা
পুস্পিদি চোখরে, — জহন ওইরক্তে,
 পাইম লৌশিং মথৌ হল্লক্রে।
থর্গদ কানবা, — কিরাকপু রাকন্ন
 থৈথোকথিবদা ভসি হয়েং,
থাবা শুবহৌদনা — শিথার ভাবনা,
 নীংথা ফুণ উনব পুক্লংদা ;
তায়া মাংলে লৈংক্লে। — আরম্ব তাথার,
 নীঙকক্লে তৌজিক অসদা "সুদীর্ঘ ত্রিপদী"

মথক্তা পরেং ২ মায়ক ৬ ৬ ৮ হই — মথাগী পরেং মরেক
১০ না লেংই

পত্ত-গত্ত-মিত্র-ছন্দ

(মৈতেই বাংলা মথাম)

মৈতৈ ছন্দ

মথক্তা উৎথিবা ছন্দশিং মিয়ম চরনা অথবা পত্তগা গত্তগা রাম্রবগুম লৌব — লেৎপা লৈশে লোইরাং পর্ব্ব, থুরাং হৈথে, *

* "থুরাং হৈথে" অসিগী বাবা কথাগুম। থুরাং হৈথে" অহুমনম্ন হৈনে। মাদ চুবদে, থুরাংগী অর্থ থুরাং চৎনবা তাম্বদনে। শাবী শানো অরাই-অথুম

(প্রেম সঙ্গীত) কৌতুবী অমসুং খাবল চোংবী হৈশে অসি 'মৈতৈ ছন্দনি", থায়নগী উৎসাপশংনা হৈরম্বা লাইরিকস্ত মৈতৈ ছন্দদা ইথিরমই ।

উদাহরণ — সনা মাশিংগী লায়রকুগী ।

প্রানাসিথু নিংথৌ । পুমাতেপ মাংলেই লৈকোই সেমবনা, মপারি ৭ সুম, পোকএ, নিংথৌ মচা ও মাতৌ, লোনমী মায়ীম্ ভুমনা নাএম্বরে । মসানৌ লৈরং অহে নৎ মপা কুরু নাএ । মাঙ-উচা চংএ । লমুখা ওরপাকি মাখাল যীম ওএ থৌভা য়াওপিতে । নিংথৌমচা ওএপাক । ... মিথক চাপাও যাপাক্ত প্রানাসিকি লএপাকৃতা, ... কুরু লৈতুরে । মাহে সিনস্ত মানা মথৌংহরাপাকি, লেপাক থুমকং লাংলকে ... নিংথৌপাশর, থুলং, য়াদা কুরু নাইরুগে হাইনা নিংলপাক মসি পেনা হৈকে ওইনা লকপা য়াই ।

ব্যাখ্যা — লৈপাক্কী খুংডাহ য়াইকনবা অম্বা নিংথৌ, প্রানা সিথু কৌবা মচা ৭ পোকই । মচা খুদিং অমুম লৈকে পানবে । মচা অতে ম যুম পা বং থকং য়াউদা রে । নিংথৌমচা ওইবগী পুকচেল চেন্দ্রে, মাগী মপাগী চানংদে, মতৌই মপানি চানিংবনা উবা শুরুনা চংবনা মতৌ তম্বা হোই মানা মহৈ মশিন হেবা তোনব, কৌক্কিকা অনোবা যুগ ... চাউবংদগী মওংহৈয়া মথক্তা উৎথব, পরেং-বাংরেং এথানওইবা মৈতৈ ছন্দ অসি শেরেং লাই-রিকতা হৈবীরমোহনবান । বাংলা, বাঙ্গালা অমসুং আসামা কাব্যশংনা ... ইবদা, মখেক মশীং কাইদনবা চেকশিনবগুম মৈতৈ লেখকাশংসু চেক-শিনবিনবা নিংশিংবার সাহিত্য মচু তানব হোৎনাবগদবান ।

হেনখিবগী মাগী লেপাক্তা ভঙ্গীনবা উঝা লৈত্রে। লৈপাক থুঙ্গং লাম্না চত্তনা মাবু ভঙ্গীবা ভঙ্গা উবা খিক্লগে নিংখি।

অর্দ্ধসমবৃত্তং

চতুষ্পদী পদ্য

৺তুলসীদাসগী দোহা

(১)

তুলসী! যব জগমে আয়ো,
জগো হসে তোম্ রোয়্।
অ্যায়াস কর্নি কর চলো কি
তোম্হসো জগো রোয়্

(২)

রাজা করে রাজ্য বশ্
যোদ্ধা করে রণ জয়।
আপ্না মন্‌কো বশ্ করে যে
সব্‌কো মেরা ওই।

পদ অহানবগা ওত্তবগা, অমস্থং ২ শুবগা ৪ শুবগা বর্ণ মশাং যামরে।

(১) অর্থ – যব— মকম অহুদা। জগমে— জগত্তা, তাইবংপানবদা সংসারদা। আযো— লাকহ। জগো— তাইবংমীনা। হসে—নোকই। তোম্—নং। রোয়—কপ্হ। অ্যায়সি— আসত্তুনা।

কর্ণিকর—তৌথনা চপে। [illegible] কি—করি তোম্—নং [illegible] হংস,—[illegible] কুই [illegible] গো—[illegible]বং মীনা। [illegible]—কপঠ।

ব্যাখ্যা— হে ভুজ[illegible]। [illegible] সংসদা [illegible] [illegible]কপদা মীনা নোক[illegible] ন নহি কপহি। নং অসিগুহা থবক তৌথনা চংখি-গদবনি (শিখিগদবনি) [illegible] [illegible] কুপা শিবা, মী কপ্তুনা কৌহৌবা।

( ) অর্থ— [illegible]—[illegible] [illegible]—তোই [illegible]—দেশ লেপাক। [illegible] থুচম চন[illegible], [illegible] সন তাবা। যোদ্ধা—লাম্ব [illegible]—তোই [illegible] লান জয়—ভঙ্গা, মাই-পাকপা [illegible]—[illegible]। মনুষ্যে—পুরুষ[illegible]। বধ—হতম চ[illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] মহাক। সবকো—খুাই পুম্নক্কা [illegible]—অ[illegible], ওই—মহাক।

ব্যাখ্যা— [illegible] [illegible] [illegible]তোই, [illegible] [illegible] খোবনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহ কতে নিংথৌ অমসুং লান্মা [illegible] [illegible]

সংখ্যা[illegible]—[illegible]দন সংখ্যা তাক্পা

মশীং থংনবা বাহৈ

মশীং থংনব ব্রাহে[illegible] সংস্কৃত [illegible] হাপ্নে। পদ্য লেংবদা শজিন্নব [illegible] [illegible] ছাত্র ছাত্রীশিং[illegible] জ্ঞান থরম্ হাপকৎকনি খন্দুনা মশীং [illegible] [illegible] মখাদা হজগে, অমরোমদা মণিপুরী সাহিত্যগী মচাকস্থ ওইহৌনি

সংখ্যা	সংস্কৃত শব্দ	[illegible]
০	খ, গগন, আকাশ	[illegible], শূন্য
১	চন্দ্র, আত্মা	[illegible] (কোক ১ পাল্লি)
২	নেত্র, পক্ষ	[illegible] পাল্লি। [illegible] পক্ষ ২)
৩	কাল, [illegible] গুণ, রাম	গুণ [illegible] অ [illegible])
৪	বেদ, বর্ণ, যুগ, আশ্রম	বেদ, যুগ, [illegible])
৫	ভূত, প্রাণ, বাণ, পাণ্ডব	[illegible]
৬	ঋতু রস	ঋতু, [illegible] শুনা [illegible])
৭	দ্বীপ, মুনি, সাগর	[illegible], মুনি, [illegible] শুনা [illegible]
৮	সিদ্ধি, বসু	[illegible], বসু, [illegible])
৯	অঙ্কদ্বার, গ্রহ	[illegible], গ্রহ ([illegible] শুনা [illegible])
১০	অবতার, দিগ	অবতার, [illegible] শুনা [illegible])
১১	রুদ্র, শিব, কুরুসেনা	রুদ্র, শিব, কুরু [illegible] (কুরু [illegible] অক্ষৌহিণী ১১)
১২	আদিত্য, অর্ক রাশি, মাস	[illegible], রাশি ([illegible] রাশি ২ [illegible])
২০	নখ	[illegible] ([illegible] ২০ পাল্লি)
১০০	কৌরব কুরুপুত্র	কুরু [illegible] (দুর্যোধন [illegible] শুবনি)
১০০০	অনন্তশীর্ষা	অনন্ত [illegible] (অনন্ত [illegible] ১০০০ [illegible] পাল্লি)

সংস্কৃত শব্দের ওজন ... পূর্বাংশ
অপার-অপাড়া রাখা ... ।

উদাহরণ ১নং— সংস্কৃত শ্লোকটী :

শ্রীরামনারায়ন বিদ্যারত্ন ...

কত্রাষ্টচন্দ্র প্রমিতে শক ক.
ইষস্য মাসস্য ... (১)
সমাপিত শোভন পুস্তকেষ
শ্রীরামনারায়ন - ভূসুরেন

...

অর্থ— কত্র —
...

...

উদাহরণ ২নং — জ্যোতিষ শাস্ত্রদর্শী

চন্দ্র ভূত গ্রহ ... সংবতঃ,
বেদ সিদ্ধি শিব ... চন্দ্রা প্রকীর্তিতাঃ।

অর্থ— চন্দ্র —অমা। ভূত—মঙ্গল। গ্রহ— ... । নেত্র —

অনি। রস— তরুক। দিগ— তারা। বহ্নি—অহম সাগর—তরেৎ। বেদ —মরি। সিদ্ধি—নিপান। নিধা—তরামাথোই। আদিত্য—তরানিথ ই। মেষদগী কৌরগা, রাশি ১২গী মথংশিত্না, ইরিবা মশীগুম্দা চন্দ্র লৈরবনি, বাশি রাশি অতুগী বাত চত্র থোকই। মরেক ১৬না লংথা অষ্টি ছন্দনি।

উদাহরণ ওভবা— থ-না কাইবিরুগী

বানের পৃষ্ঠে দিয়েবান
পেটের ছেলে সান আন।
নায়ে মাসে করি এক।
আটে হরে সন্তান দেখ।

\+ + + + + + + + + + + + + + +
\+ + + + + + + + + + + + + + +

মরেক ৯না লেংবা "বৃহতি" ছন্দনি। ওভবা পরেংদা ময়েক ১দি রাংলি।

অর্থ— বানের—৫গী। পৃষ্ঠে—মনাগদা। দিয়ে—পীরনা, হাপ্তুনা। বান—৫। পরেং অসিগী অর্থ মশী ৫৫। পেটের—পুক্নুংগী। ছেলে—অঙাং। সান—হাপ্তুনা, অঙ্ক তৌদুনা। আন—পূর্বোক্ত থংও। নায়ে—মমিংগা মাসে—থাগ। করি—তৌদুনা। এক—১। করি এক তিনশিন্নগা। আটে—৮না। হরে—য়ময়ুনা সন্তান—অঙা। দেখ—য়েংউ। সন্তান দেখ—অঙাং অদু নুপীরু, নিপ রা য়েংউ (থংও)।

ব্যাখ্যা— মশীং ...দা মরে নবী নুপীগী মানংগী ময়েক মশীংগা

গর্ভপুরগী থাম্বিংগা [illegible] [illegible] শিল্পগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] মশীং যেংহনা, অদোম অদু নিপাক্তা তুপীর [illegible]।

উদাহরণ ৪শুবা - মৈতৈরোনগী [illegible]

৺ডাক্তর কমল শোকপা

খৃষ্ট হায়বা মাকটৈ কুন্দীম,
গ্রহ গ্রহ যুথক [illegible]
লোয়দাম্ মর্চ [illegible] কৌবগী
মাকৈ [illegible] [illegible] চনবগী ।।
কোয়রী [illegible] [illegible]
মঙ্গলারক্টগী [illegible]
কোমো [illegible] [illegible] [illegible]
পুজা ইর [illegible] [illegible]
ইমাগী পাৰি অচাংথোকপা।
ইমারোম [illegible] [illegible] [illegible]
কাঞ্চিপুর সনা [illegible] [illegible],
তাইবী [illegible] [illegible] [illegible] বৃত্তি ছন্দ)

অর্থ— গ্রহ - ৯। গ্রহ - ৯ যুথক [illegible] [illegible] - ১। [illegible] লোমদগী [illegible] ১৮৯৯ [illegible] [illegible] — ৫ [illegible] ২ ২৫।

ব্যাখ্যা - খৃষ্টাব্দ [illegible] ৯৯ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হুমিংকী লোংভাম্মদাই মঙ্গলারক্টী [illegible] [illegible] চৌগদা ইদং থোব। মৈতৈরোনগী লায়রিক [illegible] [illegible] [illegible] ৺ডাক্তর কমল মপুনশিত্তেনবা, কাঞ্চিপুর কোমুংগা তাইনং [illegible] [illegible] থুজদা শোকই। (ঐডোম্দা জন্মকোষ্ঠী হাথবগী [illegible] [illegible],

উদাহরণ ৫ কুহ - প্রধানমন্ত্রী নেহেরুজী নোঙাবা

ভারত আকাশগী, শরৎ থাবুংনে,
অহৌংব থাবন্ন, পৃথ্বী শীতুংখ্র,
শান্তিগী দীক মালেম থুনা হল্লগা
ভারত-চন্দ্র মন্ত্রী নেহেরুজীনা।
বেদর্ত্তু, গ্রহ, চন্দ্র শক, খৃষ্টাব্দ
মুনি নেত্র, চনবা থাকুব [illegible]
কোরৌ কুমিত্থা যুগশক্তিকা [illegible]
য়াংলেন পুংজা য়ুংবা মতুং [illegible]
থংগোদনা লুপথখরে, সমত্রু [illegible]
মমশার ভবক, য়ানখার পৃথ্বীপুরা [illegible]

মথক্কী শারেং ৮ কুণত্তী ছন্দ [illegible] ছন্দ।

অর্থ— বেদর্ত্তু— বেদ+ঋতু, সন্ধি [illegible] বেদ ৪। ঋতু- ৬, গ্রহ—৯ চন্দ্র- ১, মুনি— ৭, নেত্র—২।

ব্যাখ্যা শরৎ [illegible] আকাশদ [illegible], [illegible] অহৌংবা থাবন্ন [illegible] [illegible]। পৃথিবীগী রাজ্য [illegible] ! [illegible], [illegible] ১৯-শুনী মে তাং ২৭দা [illegible] তারা মতমদা, [illegible] সমত্রু [illegible] ভারত-মন্ত্রী নেহেরুজী [illegible], ভারত [illegible]। পৃথিবীগী [illegible] চা [illegible] রাবা কোংশিং।

উদাহরণ ওইবা— **নেহেরুজী স্বর্গ চংবা**

শক [illegible] কীবা [illegible] ঋতু যুথক অনি কোক্তা,
কাংলেন্নিন্দুং [illegible] কোনবা, [illegible] বেদগুবা,
ভারতকী ভাগ্য [illegible] প্রধান মন্ত্রী থুংবা,
[illegible] [illegible] ভাগোম্মে,
[illegible] অমুক্ক ভারতবাসী অপুম্ব।
ধ্যানগী [illegible] স্বর্গগা [illegible] লৈবা।
থোং [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] উনা;
[illegible] [illegible]
[illegible] ? [illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]
স্বর্গ [illegible] [illegible]
দেব কন্যা [illegible] [illegible]
গন্ধর্ব গন্ধর্বা [illegible] [illegible]
[illegible] জগোহ [illegible] [illegible]
পলেস্তারতী দেবীনা, [illegible] তুজংনা [illegible]
পান্না চেত্রা কোনাশনথি [illegible] চুপথি।
পণ্ডিতজীবু [illegible] [illegible]

অনুষ্টুপ ছন্দ

অর্থ— ঋতু—৬। যুথক ২=৮৮। কোক—১। বেদ—৪।

হুমিং বেদ শুবা হায়বগ, নেংমাইজিংদগী ৪শুবা— মুমশকৈশা হুমিংনি। ভ গ্যলেম্বা চাউখংনবা হোংনবীবা, য়াইকনবা লাক্কবীবা। য়াইথীরব হুমিংদে, থম্মোই লেংবা ভাশোম্মে—মচীম্হৌরবা ভানা থম্মোই মনুদ থুম্না লেংলগা চৈনাখোম্না খাংব রাবগা মাম্নরবা হুমিংনি ধ্যানগী মিংনা—অকুপ্পা মঙ্গংগী ভাবনা রাখল খন্দুনা য়েংলগা সুরবালাশিংবা—লাইগী নিংজোনশিংনা। দেব-দুন্দুভিশিং— লাইগী তুতশিং, লাই জচৌবশিংগী পাখোন চংপা জয়সুং শংক ইথং নোম্বাবা লাই জাং অমা। দুন্দুভি—মোইবুং-শুম্বা চিম্না খোংজনা সুংঙ্গ ওপা কেংবা যন্ত্র অাং অমা। দেব কন্যা—মহাংলাগ অর্থ মাইশ্রে। গন্ধর্ব—লাইগী পুং ইশৈ তৌবা শংলুপ অমা গন্ধর্বী-শংগ্রুপ জগোই শাবা ইশৈ শকপীগী শংলুপ। ভারতী—ভারত মাতা, সরস্বতী

ব্যাখ্যা—এমা ১৮৬ শুবা শকন্দগা কাঙলেম্বাগী পুঙনমা মতুং লোংংও কেনা বুদ্ধকেশ ছুরেংদ মসদ, ভারতপু লেমগং শাগং-লব হুংনব এম্বা শুভ কেংরুজো স্বর্গ কাংগে ভমথীরবা হুমিং অসিনা, নংমাইগী ভোগ লমক ওইহুনা, ভারবাস পুম্নমক্কী থম্মোই লমক হুংদ থুম্না শংশন্দু থম্বীবগ মাম্নশি। অসুম ওইবা ভমথীরব হুমিং অসদ ভরতভাস চচিন শুলাষ্ট পুম্নমক। ধ্যান তৌহুনা স্বর্গলোকদ অমুক হেংবং পীয়ু! স্বর্গগী খোং হাংহুনা দৈবা উবীররিন থেংনা পাকন অানন্দা, লাই নিংজোনশিংনা পরেং শানা, কে শারজাং পরেং শরেং শায়হুনা লেপ্লহনা, কনাগুম্বা অমত্তু ওাইরমান্দে মপুনা শিস্বাবীবগী, লাইহুতশিংনা কোইচেন

চেন্নুনা নোয়রি। অমরাপুরী কোন্নুংদা শসি লাই সভা তিররি, লৈপী লোলাই মথক্তা ভোংবা, নেহেরুক্তাদা, লাইহুত ৪৭া চামর কাং-হাই হুমহুনা খোপল তৌনরিবা উবীত্রিবরা ? লোলাই লোইরোই-লোইরোইননা শূন্দা পাইখংখিহুনা স্বর্গগী স্নাখোং মনাক্তা থাথরে। লোলাই হেক থামমক্তা স্বর্গদা দুন্দুভি খোংখি, লাইনুপাশিংনা, নেহেরুপীগী মণ্ডক্তা পারিজাৎ পরেং হুকখি। গন্ধর্ব্ব গন্ধর্ব্বীশিংনা হরাউ মখোই কাখিহুনা পুং য়েনরে ইশৈ শক্রে অমসুং লগোই শামরে। পলেম ভারতী দেবী য়ারা খোরাংনা মপারীবু তাইহুনা লৈরমই। মপারী থুংবমক্তা চেনশিন্দুনা মপারী কোন্দুনা মমাই লোংহল্লগা চুপ্পীখি। অতুগী মতুংদা দেবগণ খোরক্তুনা সম্মান উংলগা নেহেরুপীবু দেব সভাদ পুশিল্লগা পোথাহনখি। অদুগা স্বর্গগী থোংস্নু থিংজিনখি।

বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শৈরেং

বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মবী লৈনবা শৈরেং লেংগে হায়রবদি, মথাদা ইরিবা মৈতৈরোনগী শব্দ (রাহৈ) শিংগী মহুত্তা সংস্কৃত শব্দ শিজিন্নগদবনি। মৈতৈ অশেংবা শব্দ শিজিন্নদে। মহুদি খোং, থুয়া—চরণ, পাদ খুৎ—হস্ত, কর। মিৎ—নেত্র, নয়ন। চীন—মুখ। মাইথোং—বদন, মুখমণ্ডল। মখাথংবা চীথান—অধর। শম—কেশ, চুল। না—কর্ণ নাতোল—নাসা। খোরি—কণ্ঠ। রা—বাক্য, বাণী। উবা, য়েংবা—দর্শন তৌবা।

খোমন তৌবা—সেবা তৌবা। তাবা—শ্রবণ তৌবা। শকপা, শোনবা—কীর্ত্তন তৌবা। অপথবা, নেমথবা—শান্ত, কান্ত। থম্বাল—কমল, পদ্ম, পঙ্কজ। ইরাংপা—পূজা তৌবা। হাঈজবা—প্রার্থনা তৌবা, নিবেদন তৌবা। লৈশী লৈখোনবা—স্তুতি তৌবা। নোঙবা—নতি তৌবা। খুরুমজবা—ভক্তি থচ্চবা অসিন-চিংবা। অতুগা ঈশ্বর অমসুং ঈশ্বরগী হকচাং কায়াৎ অমগী মঙাংদা শ্রী হাপ্নে। মথাদ শ্রীচরণ, শ্রীনয়ন, শ্রীমুখ অসিনচিংবা। বাক্য শব্দগা অমৃত শব্দগা সান্ধি তৌদুনা—বাক্যামৃত হায়না শিজিন্নবনা হেন্না ফজে। চবুংতো হায়রগা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং গৌরচন্দ্রবু খংনৈ। রাসেশ্বরী ব্রজেশ্বরী, ইবেম্মা অমসুং শ্রীমতি হায়রগা রাধিকাবু খংনৈ।

উদাহরণ ১ব 'শ্রীকৃষ্ণগী কোলোই—চৌনপাউ খোইথুম্নবা অত্থ তাবরদা রাধিকাগী খোইদৌ লংখংলম্বা পুম্বা নেমথখি" অসুম ইরোইদবান। শ্রীকৃষ্ণগী বাক্যামৃত শ্রবণ তৌরুবদা শ্রীমতিগী মন্ শান্ত ওহ্নখি। অসুম হায়না ইগদবনি বৈষ্ণবগী শৈরেং বারেংদ

উদাহরণ ২শুবা—লেখক্না লেংবা

কদম্পাম্বীগী মখোংদা, ত্রিভঙ্গ শানা লেপ্লুনা,
অধরদা মুরলী থম্লগা,
ব্রজকিশোর ইবুংঙোগী, রাধা, রাধা, রাধা কৌবা,
মুরলী খোজেন্দু তারবদা

পঞ্চপ্রাণ ইবেম্মগী, মাংখানা চেক্লিনখি,
কৃষ্ণ লৈবা মাইকৈ অদোমদা
প্রাণ যাউদবা দেহেনা, পাগলিনী শারে রাধ.
সখীগা লেংখি শ্রীকৃষ্ণ মনাক্তা।

(দীর্ঘ ত্রিপদী ছন্দ)

ব্যাখ্যা— কদম্ব পাম্বীগী মখাংদা শ্রীকৃষ্ণনা মথেক ও থোক্লা থেক্লা লেপ্তুনা শ্রীমুখ অধরদা মুরলী থম্লগা রাধা, রাধা, রাধা কৌবা মখোয়া মুরলী খোংবিরে। রাধা হায়না খোংবা মুরলী খোঞেন্ অতুনা শ্রীমতিগী থম্মাই ও হরানবীখরে। মথম্মাই য়াউদবা দেহে অতুনা ইবেম্মা অশোওব শানা মকম মরাং থংদনা. ললিতা বিশাখা সখীগা লোইনহুনা ইবুংঙোগী মনাক তাম্না লেংখি।

বৈষ্ণবশিংদা লৌকিক চৎনরিবা মথক্কী শৈরেং রারেংগী রাকম অসি হৈকাত্তনা লেংহনা কৌবা কত্তে। কোংগে শায়রবস্তু, মৈতৈ-য়োয়া ইশৈ লেংবা হৈবা অমস্তুং মশানস্তু ইশৈ তৌবা উঝা অমদা অহানবদা লেংহল্লগা, কৌবা ফারে থংলগা ফেংগদ্রনি। মরু ওইবা রাদি- ধর্মগী ফাংলুপ অমনা ওইরবস্তু, অতোপ্পা কুতি অমমা ওইরবস্তু মপুক্তা য়ানিংদবা অমস্তুং মথম্মাই শোকদবা, রারেং লৈরেং-অমতা কৌবা য়াদে।

কাব্য রস

পদ্য, কবিতা বাহৈ অনি অসিগী অর্থ অমতনি হায়না মথক্তা হায়ব্রে, পোৎ খুদিংগী মহাউ (রস) লৈবগুম্না কবিতাগীসু রস (মহাউ) লৈ। মহাউ লৈব কবিতা ময়াম্না মপুং কারবা লাইরিক অমবু কাব্য লাইরিক কৌই। কাব্য রস মথল ৯ শুই। মহুদি—

১। শৃঙ্গার ২। বীর ৩। করুণ ৪। অদ্ভুত ৫। হাস্য ৬। ভয়ানক ৭। বীভৎস ৮। রৌদ্র ৯। শান্তরস।

১। শৃঙ্গার রস— শাবী শানৌগী মচুংদা লৈবা ভাব অদু শৃঙ্গার রস কৌই।

২। বীর রস— থৌনাফবা, মরীন্ লৈনা ভাংবা অদুবু বীর রস কৌই।

৩। করুণ রস— অঙা-হুংশি নংনরোলবু করুণ রস কৌই।

৪। অদ্ভুত রস— উদবা পোৎ উবা ফংবা, তাদবা রা তাবা ফংবা, পুক্নীং ওকপা অমসুং মাংদা থোক্তবা হিরম অদুবু অদ্ভুত রস কৌই।

৫। হাস্য রস— নোক্নীংবা পোক্হল্লোনবু হাস্য রস কৌই।

৬। ভয়ানক রস— অকীবা পোকহনবা মরোনবু ভয়ানক রস কৌই।

৭। বীভৎস রস— হদোহৈবা তুকচবগী মরোলবু বীভৎস রস কৌই।

৮। রৌদ্র রস— শাওনীংবা, অশাউবা পোকপা লোনবু
রৌদ্র রস কৌই।

৯। শান্ত রস— দুংশিবা অমসুং ভক্তি ঊংপা ভাবপু শান্ত
রস কৌই।

রস ৯গী মসুংদা করুণ রসনী মখিক মওয়া ইহেন হেন্না চাউই। মকম অমসুং মতম খিবিক্তা করুণ রস ইথেং মথেংনৈ। অশি অনা নংবা দুম, মং, শোয়াথ শোনকম, দুহোংকম, কৈথেন বাজার, ডাক্তরগী অনাশং অমসুং সরক্তা করুণ রসনী ইচেল চেন্দু-নত্তা মরৈ। রস পুম্নমক করুণ রসদগী থোরকই। করুণ রসদা অমূক হন্জিনখিবনি। তাইবং মী করুণ রসগা শাকোয়্যনা পোক-পনি। মপুন্সিচুপ্পা করুণ রসগা শাকোয়্যনা লৈবনি। মরম অসিনা কবিশিংনা (কবিশিংনা) করুণ রসনী মরম নৈনভুনা লাইরিক চাউনা লেংই।

৺নৈর্তে কবি চাউবনা লেংবা, শেরেং ১ করুণ রসনী

মীওইবা

লোংদন্না বিধিনা কপনবা শিন্দুনা

তাইবং মী থারক্লে।

পুন্সিগী ইপাক্তা, 'রাবনী ঈরৈদা

ঐথোইনা ইরাক্লরে।

অপাঘনী-লাংদা ভত্তনা থুবদা

থোরকমসু থংদরে।

রাবনা চাক্তুরা, কপ্তুনা শিরনা
কিংবগী মহৈ ওইরে।

(লঘু ত্রিপদী ছন্দ)

+ + + + + + + + +
+ + + + + + + + + + + +

নব রসগী উদাহরণ

১। শৃঙ্গার রস — লেখক্না লেংবা

চিঠি

অপাম নুংশি থুংনশি হায়দুনা, থাং য়াদা চীক্না রাশরুবা।
কাওবীরবা নুংশিবা তামো নিংশিংবীদু নুংশিখোই তাঙো।
মমেম নুহোংশিদোরে ঐবো, তাবীক্রিবরা থম্মোয়গী তামো।
হোরেল সিনেমা হোন্দা উনশি, জীপ য়াউবীরকউ। ইতি

(পঙ্‌ক্তি-ছন্দ)

২। বীর রস— "মালতী-মাধব" উপন্যাসদগী

করিগীদমক্নো য়ামখোশা, কবিনোনে ইচিন ইনাওশা।
তুমিন তুমিন লৈনরিবা, পক্লিরমদাই অসিদা।
সিপাই লৌচা চংরিবা, লোয়মু থুম্পোং কংলিবা।
লোইন নিপা ইল্লিবা, অকাবদা য়াদোই নেত্তানবা।
অকুবদা দোলাই ভোংলিব, করিগীদমকনো থদুদা।
হয়েন মকম সিঙবদা, য়াইবী কংপগী নত্তবরা?
করিগী শিবা পাম্বুবা? ক্ষেত্রি মচা ঐখোয়না,

ধর্ম্ম তিমদনা অম্রাগী মথা পোল্লগা লৈবাকসি।
নংগী ঐগী ইমাংদা নংগী ঐগী তালোইদা,
ইচল ইমোম খিবিক্তা শাগী লমচৎ চৎপা
মথা পোনবা ঐথোম্রনা থিংবা ওম্রোই কৈদৌঙৈদা
ফগত্রা হিংছনা থন্নুনা কম্রিগী শিবা পাম্মুবা ?
মনীং তম্রা লৈরবী খোয়ুম লাইনা শেম্বদগী
মৈতৈ সনা লৈকোয়সি করম মীখা পোলহর্নসি।
নংগী ঐগী হাকচা মিংচৎ অথিবা থর্মশিরা ?
হয়েল লানবু থেংনর্কশি অৱা লুরেল শোইরুশি
শ্রীযুৎকী চরণ খাদা চৱৈ ফিগাও শানা।
লানভম বোম্র নীরুসি হয়েন লান্দা চংরুসি

শৈরেং অসিদি ময়েক মশীংনা হৈবা শৈরেং নত্তে। ম্রাহৈ মশীং ৩না শাবা পদনা লেংবা পদ্যনি। পদ ৩৬, পদ্য ৯ "বিষম বৃত্ত" নব্য-ছন্দনি।

৩। করুণ-রস

করুণ রসগী অহানবা উদাহরণ— **ইংরেজী**

মচা শিবগী ভাওরবী মমাদা মী অমনা থেমজিনবা—

"Patience good Lady ! Comfort gentle Constance".

মমাদা থুবা—

"No, I defy all counsel, all redress,
But that which ends all counsel, true redress,

Death, death ! O amiable, lovely death
Thou odoriferous stench, sound rottenness !
Arise forth from the couch of Lasting night."

"Shakespeare"

করুণ-রসগী অনিত্তবা উদাহরণ— মণিপুরী ' মালতি মাধব'

পারী নংবু ইপন্না অন্না লেনবী পুংদা
লৈরি হায়না নিঙ্ঙাইদবু
লাইরিক নয়োন সিদবু
পারী নোংমনগ্নবোই নিংলেদো,
পারী নংবু।
চীঙঙ্ লাইপক খিবা নংগী পম্হৌ সিকা
লাংঙন খিবী ইচলগা নচেম হুরা সিমগা
অন্না মৈশাহুংদা হুক্তিনবিগ্নবোইরেকো
পারী নংনা।
নপল ঐগী খম্মোয়দা নোংগী হুমিল্লা
নংগী অন্না মৈচাককা মখোয় অসিগী অন্নাবগা
পুম্বনা করম লৈয়ু হায়বগেনে
ইপলবু কন্নকইদা।
(মৈতৈ ছন্দনি)

করুণ-রসগী অহমগুবা উদাহরণ—বাঙ্গালা "নিমাই সন্ন্যাস"

আজি শচী মাতা কেন চমকিলে ?
ঘুমাতে ঘুমাতে উঠিয়া বসিলে ?

সুপ্তিত-অঞ্চলে "নিমু" নিমু ব'লে
দ্বাৰ খুলি মাতা কেন বাহিৰিলে ?
বউ মা, বউ মা ঘুমায়ো না আৰ,
উঠ অভাগিনী, দেখ একবাৰ
প্ৰাণেৰ নিমাই বুঝি ঘৰে নাই,
বুঝি বা পলাল কৰি অন্ধকাৰ।
তাই বটে হায় বধূ একাকিনী
ৰয়েছে নিদ্ৰিতা সৰলা কামিনী
শূন্য পড়ি ঘৰ "কোথা প্ৰাণেশ্বৰ",
গেছে গেছে কৰে উঠে বিনোদিনী।

গায়ত্ৰী ছন্দ

+ + + + + + + + + + + + + +
+ + + + + + + + + + + + + + শিবনাথ শাস্ত্ৰী

কৰুণ-ৰসগী মৰিশুবা উদাহৰণ— আসামী "ভিক্ষা"
শ্ৰীকমলাকান্ত ভট্টাচাৰ্য্য

বহুদিন দগ্ধ মোৰ দুখেৰে অন্তৰ,
দেখিছে অসম হায় দুৰৱস্থা তোৰ।
নোৱাৰিলোঁ নিবাৰিব এই দুঃখী মন,
ভাবিলোঁ সন্ন্যাসী ভাবে কৰোহোঁ ভ্ৰমন,
দুখিনী জননী মোৰ ঘৰত এৰিলোঁ,
জনম ভূমিৰ দুখে আত্মা বিসৰ্জ্জিলোঁ,

দেশী ভ্রাতৃগণ আজি হবানে সদয়,
করিবানে মোর শুভ যত্ন ফলোদয় ?
কি যত্ন ? যত্ন মোর—অসম একতা,
দিয়া এই ভিক্ষা মোক হোঁরাসবে গর্ব।

"পয়ার ছন্দ"

++++++++++++++++++++
+++ ++++ ++++ ++++++

অর্থ— বহুদিন—মতম য়াম্মা কুইনা। দগ্ধ—চাক্রে, চাকখেক্রে। মোর— ঐগী। দুখেরে—অবা-মৈশানা অন্তর—পুক্রিং, থম্মুং। দেখিছে—উরহনা। অসম—আসাম নৈপাকী। হায়—ওম্মোকপনি। দুরবস্থ —কিতম কত্তবা। তোর—নংগী। নোরিলো—ওমত্রে। নিবারিব—কোকহনবা। এই—মাসি, মসিগী। দুঃখী মন—পুক্রীং রাই। ভাবিলোঁ—খত্ত্রে। সন্ন্যাসী —লম্বোইবা। ভারে—মতো তোনা। করোহোঁ—তোগে। ভ্রমন—কোইবা। দুখিনী—লাইরবী, অন্না অনা নংলবী। জননী—ইমা। মোর—ঐগী। ঘরত—ইয়ুমদা। এরিলো—থাদোক্রে, হুন্দোক্রে। জনম—পোকপা। ভুমির—নৈপাকী। দুখে—অরাবদা। আত্ম—থরাই। বিসর্জ্জিলোঁ—থাদোক্রে দেশী—ইরৈপাকী। ভ্রাতৃগণ—ইচিন ইনাওলিং। আজি—ওসি। হবানে—ওইগত্রা। সদয়—হুংশিহৈবা, থোজানবীবা। করিবানে—তৌবীগত্রা মোর—ঐগী। শুভ—অফবা। যত্ন—হোৎনবা। ফলোদয়—মহৈ য়ানবা। কি—করি। যত্ন—হোৎনবছু। অসম—আসাম নৈপাক। একতা—অমতা ওইব', পুকচেনতিমবা। দিয়া—পিয়ু। এই—মসি। ভিক্ষা—

নীজবা। য়োক- ঐবু, ঐঙোন্দা। হোর্ঁ1—ওইবীয়। সবে—থ্বাই পুন্নমক গঁথা—অমতা ওইনা পুনশিনবা।

ব্যাখ্যা—হে আসাম। নংগী কত্তবা ফিভমসি উয়হুনা ঐগী থম্মৎ চাক্তুনা লৈবা মতম য়ায়া কুইরক্রে। নংগী অরাবা কোকহনবা ভমজবগী ঐগী পুক্নীং য়ায়া রাঙ্কেদা। লম্বোইরক্হুনা লৈপাক্ত কোইক্রসিয়া? লাইরবী ইমাবু যুমদা লংশেক্তুনা পোক্নকম লৈপাকী অরাবা উবা ভমজক্হুনা থরাই থাদোকখ্রসিয়া অস্নুম মওল মওল থল্লেনে, হে ইবৈপাক্কী ইচিন ইনাওশা। ভসি নখোয়না ঐবু খোঙ্গানবিগদয়ও? ঐনা ফননবা হোৎনবসিগী মহৈ য়ালহনবীগদয়ও? হোৎনরিবন্থ করিনো? ঐনা হোৎনবসিদি আসাম লৈপাকী মীযাম নখোয় পুকচেন অমতা ওইনা তিয়না লিচিং মায়বা ওইবিয়ো— ঐনা নীংজবদি, অসিতনি।

করুণ রসগী মঙাশুবা উদাহরণ— সংস্কৃত

"ভট্টিকাব্য"—তৃতীয় সর্গগী ১১শুবা শ্লোক

গতো বনং শ্ব ভাবতেতি র মঃ শোকেন দেহে জনতাতি মাত্রম,
ধীরাস্তু তত্রচ্যুত মন্যু.ব হন্যে দধুঃ কুমারানুগমে মনাংসি,

"ত্রিষ্টুপ-ছন্দ"

অন্বয়ঃ— রামঃ শ্বঃ বনং গতঃ ভবিতা ইতি শোকেন জনতা অতিমাত্রং দেহে তত্র অন্যে ধীরাঃ চ্যুতমন্যবঃ (সন্তঃ) কুমারানুগমে মনাংসি দধুঃ।

অনুবাদ— হয়েং রামচন্দ্র বন্দা লেংবা তারে, রাসি তাবদগী প্রজা ময়াম দুংভাইতবগী মৈচাক্না থম্মোয়দুং চাকখরে (কানখি),

মখোয়গী মরক্তগী পুকচেন তপ্পা প্রজা শ্রামনা অরাবা রাখল থাদোক্তুনা রামচন্দ্রগী মতুং ইনগে হায়না মবুক্তা চপ লেপ্পখি।

৪। অদ্ভুত রস

উদাহরণ—লেখকী "মালতী মাধব" উপন্যাসদগী

ঙসি কৌবা নোংলেন নোংজাদা—

কৈনৌ কৌবা, খুঙং লৈপাকসি, য়াম য়াইফরৈ,
মণিপুর সনা লৈকোয়গী, অঙম্বা মরিবু পুম্না তিম্নরৈ,
মাক্লোলেনগী সঙ্গাই মাঙোন্দা, ফবাংজৌ ফিবুম 'খক্তা,
অঙম্বা মরিবু ঙাম্নরৈ।
চোয়নৌ সনায়োম্বা খুদোংবু লাম লাম্না কাম্নরৈ।
চীঙ্গোই সনা খম্বাল মরিবু ফুগাইনা শাংব্রিমরৈ।
লৈপাকশেম্বা কোলোই পাউমেল হুংশিরাবু ভাম্নরৈ।
লাইরমলেন্দা লাইয়াম সভা তিম্নববু মাম্নরৈ।
খুম্নাকপনা ব্রহ্মানি, মাক্লোলেমা বিষ্ণুনি
জটাপুবা হঙবনা মহাদেবনি, তরেৎঙম্বা মেঙরনা যমবাজনি,
'মুম হায়না প্রজা ময়ামবু পাদম্নেএ

"মণিপুরী ছন্দ"

৫। হাস্য রস

উদাহরণ অহানবা— লেখক্না লেংবা

নৌরিঙৈ মণিপুরবু, ব্রিটিসনা লৌবা
শঙ্গোম য়োনবী হমুবী, অমনা নোংমা,
পণ্টমুংদা শঙ্গোম য়োল্লগা, খোয়কপদা;

ফিজেৎ 'মনবনা ষঙোম, চফুহ য়োমঙ্কমা।
খোং শংহুনা লৈরম্ব', সিপাই শস্ত্রিহনা,
"কৌন্ হৈ" ? হায়না লাউখি খোনকল্লম্বা ;
হত্রুবী পাখৎখিহনা, থুমখিএ, 'বাবু'।
"কোন হরান্দে ঐনা, য়েংউদে। শঙোম চফু",

পদ ৮, পঙ্ক্ত ২। শর্করী ছন্দ

হাস্য-রসগী অনিশুবা উদাহরণ— লেখক্না লেংবা

নিংথম্ খা অমদা, মীমগী মন্নুমদা।
মাগী দীক্ষাগুরু লাকখি।
মমৌবু কৌহ্না, হায়খি নিপাহ্না
পুখোরকউ থুনা ঔশিং।
কদীম্নু খুদেংম্ন, কানম্নু পুখোক্রো,
গুরুগী চরণ শেংসি ;
অপংবী মমৌনা করিবু চবণ
কৌই ? খংদবগী য়েংখি।
গুরুগী মখোংবু, মান্না কায়রম্ব',
উবহ্না পুক্না নিংখি,
মখোং কাইববো চবণ কৌইদো
মীনা হাগীবা হৌনবী।
নিংথম্ খা অমদা লোখাও মতমদা
উরে মমৌ খোংকাইবা,

ময়োগী মখোংসে চরণ গুল্লেনে
থম্দুনা, চেনখি ময়ুমদা।
তমাং হেক য়োবগা, কৌথোকখি ময়োনা
খোরকউ ইমাল হায়না,
ইখোংবু চরণ গুল্লেনে ইমাল।
হৌনবী ভৌথোকবীয়োনা।

"লঘু ত্রিপদি ছন্দ"

৬। ভয়ানক-রস

উদাহরণ— লেখক্না লেংবা

হাইবা। কিজেদা। নাংদা লেপ্তুনা লৈরিব' অসি
উত্রিবরা ? ইতুং ইল্লিবাশা ?
সোয়ারেন খেত্না য়াংবা মুশিনমুবা ময়া কাবা
মখিৎ লাউবা মরৈ ভিংথোকপা।
লৌরৈ চৈরোং মানবা খুজেং পোমানবা মথুৎ ভিংথোক্লে ;
কাগেবু ভৌবিবরা খোইবু ?
কখিনো মসিবু ভুংবা হিংচা তম্নবা লাইরা ?
কিরেদা। নরসিং মন্ত্র শোল্লো।

''দীর্ঘত্রিপদী ছন্দ''

৭। বীভৎস-রস

উদাহরণ—লেখক্না লেংবা

মদ অসিবরা অমা সাবন মথক্তা
পুমছুনা পন্তুনা লৈবা ভাই নং উরবরা ?

মতোংদা হল্‌না হল্‌ হল্‌ লেং লেং চৎলিনে ;
লংজানা মপুক মরীন, চীংথোক্সা চান্নিনে
কাক চংলগা খিগন্তনা, কাকপু তান্নিনে
য়াম্নবু নমথীগ্রেদা, ভুকক্তৈ য়েংনিংদে।

ময়েক ১৪না লেংবা, ময়েক ৮ শুবদা যতি লৈ "পয়ার ছন্দ" নি

৮। রৌদ্র-রস

উদাহরণ— "মালতী মাধব" দগী

সুখোম ককতোমদা য়ানবা—
তাথুমদগী তাপাক শৎ
থাংখুমদগী থাংশাং শৎ
মথুং নামা নামাদা পায়, মিৎ ই কোয়ি কা উক উক্ল লৈ,
প্রলয়গী মতমদা মহাদেবনা তৌবগুম্,
চীলোই হুং হুং ভং, মেজর সাহাব, শুমাংদা চোংথোক্ ;
কদম্ব তৌ, খোবুশা, থাংবু হাই, "অচা-চা লাকচৈদা
কৈ মচাবু য়োক্লগা, চাওরগা মপু হাংপশুম তৌবা লম্লাইমচা।
নং কদাইদনো ? হৌজিক চেন্দুনা হিংগদৌবা !
নোংথক্তা কা নখোং পায়হুনা চিংথরনি ,
লৈমুংদা চং, নশম লাক্তনা চীংখৎকনি ;
উশিংমুংদা লোৎ, ইম্বাখোন্দুনা কাদোকনি ;
খোয়মা নারোলজুংদা লোৎ, থাম্বী মৈ থাহনা হাত্তোকনি
উঃ। কোনশেংকুম লংনালৈবা, ইয়েংবা শাগৈসিদা,

ইহাকথক্তা চণ্ডানহুপী অমা পোক্‌ত্না,
কোলহৌং-মাইথীনা মকহনগদৌহৈদা ।"

শৈরেং বারেং ময়ান— "মৈতৈ ছন্দনি"

১। শান্ত-রস

উদাহরণ অহানবা— "মালতী মাধব" দগী

পলেম চনৌত্থোম্বী হয়াউ লুভোল কানা,
মুংঙাই মখৈ লৈতনা, তম্নীওঙাই লৈতবা—
মচাগী প্রেম্না, ঙাউরহুনা,
ইকাই-শেঙ্গোই লংখোক্ত্না, অনাবা কৈজুপ হায়দোক্লগা,
পাম্বিনাক য়োঁৱক্লে।
চেংলৌ মিৎলু অনি, নোংজুথাগী লোক গুনখরে,
পাম্বিবু কৈরা তান্দা খোঙ, সমু থকৃথী লুম্নাং কোন
থজাই লোংলোই চুপ, চীঙ্গোই য়ারেন্দা খোম্নাং ইল

"মনিপুরী ছন্দ" নি।

শান্ত-রসগী উদাহরণ অনিশুবা— "মালতী মাধব" দগী

জগৎকী শান্তি নিজবা

ঈশ্বরগী অচম্বা পূজাগী পোৎলম মঙানি;
ধুপ, থাওমৈ, হৈরুক, লৈ, ঈশিংনি,
মহুগী মহুত্তা থ্বাইগী মহৎশু শিন্দূনা,
ইথৱাই মঙাবু ভক্তিগী শেম্পাক্তা হাপ্তুনা;

কচচ রি নশাই হেমচন্দ্রনা মপুগী খুযাদা
নাক্ষাধ জগৎকী শান্তি ঈশ্বরগী চরন্দা

++++++++++++++++++ + ++++

++++++++++++++++++++++

রাহৈ মশীঃ ৫ দা পদ ১ শানা শে বা পত্তনি "নব্য ছন্দ"

কাব

ভমসুং

কবিগী কল্পনা শক্তি

কবিনা করিগুম্ব. বেযথ মরম্বা ভ ব রাখল চ ভ্রব ., রাখল অদু অমুক ঋদ্ধ-খণ্ডগ কাঁ মপুক্ক . রাজলগী সমুদ্র ঐক্লংদা লপথৈ, ভাইবংপালগী জ্ঞান মু " ঋন্দুনা মহাক লাইন লোবা মীশুনই . মখাংদা মা চৎপা ঐদে, কাদগী পোৎ লোখিবা খংদে, ক্ষিতম আস ঐৗরবা মজন্না ক ম্নত খনত্রবা) বিষয় অতুগী ভাব রাখন্দ " কাব্যবস ক ওরক্কনা কবিগী মপুক্কী, ছাম্মো-রকই ; মসিবু কাবত্ব শাক্ত চংব ঐৗই রাহার অমতা "তন্ময়" ওইবা কোই, থাক অসি খোঃ পঃ ভাক্রপৈ —লাইরিক লোবা মী অমবু "কবি" হায়বা য দে, মহক 'গ্রন্থ র" নে। রস মখল নাইবনা. বিষয় অমতগী কা্নত শচন ভ ক কবি অমগা অমগা মামদে, মরমদি কাবত্ব-শক্তি চংবা মতমদা রস মখল মায়না কাওবীরক্তে।

শরৎ থাগী মনুংদা— বিশ্বামিত্র মুনিনা, রাম লক্ষ্মণ মচিন-মনাওবু, তপোবন তাম্না যজ্ঞ ঙাক্নবা পুত্না চৎলিংই—লম্বেলগী নাকল অনিগী, মরক মরক্তা পাৎ-কোম লৈরম্বশিংদা থম্বাল ময়াম শাত্তুনা লৈবা, খোইমুশিং মুংশিনবা খোজেন্না ঙংথুনা থম্বালগী লৈহী চুপ্তুনা লৈবা দৃশ্য অসি রাম লক্ষ্মণদা উৎলগা কবিনা রাম লক্ষ্মণগী মপুক্নীং শুমহৎনবা হোৎনবা কন্নবাদা—ব্যভিচারি (কাহেন্দোকপা) অদ্ভুত-রস কবিদা কাওখিহনা "তন্ময়" ওইহনা মশা মতোম্ব, শুমহৎখি। ঈশিং লৈবা মকম পুন্নমক্তা, থম্বালগী থম্বালঙাক্তা শাত্তুনা লৈবা, খোইমুগী খোইমুঙাক্তা ঙংথুনা লৈহী চুপ্তুনা লৈবা ওইনা কবিগী নামত্তা উথি। মরম অসিদগী ভট্টিকাব্যগী দ্বিতীয় সর্গ, ১৯শুবা শ্লোক্তা কবিনা চোইরোল ওইনা লেংখি। মখুদি :—

ন তজ্জলং যন্ন সুচারুপঙ্কজং, ন পঙ্কজং যদ্ যদলীন ষটপদম।
ন ষট্পদোঽসৌ ন জুগুঞ্জ যঃ কলং, ন গুঞ্জিতং তন্নজহার যন্মনঃ ॥

ময়েক ১২ না লেংবা "জগতী" ছন্দ।

অন্বয়। তৎজলং ন, যৎ সুচারু পঙ্কজং ন, যৎ অলি ন ষট্পদং, অসৌ ষট্পদঃ ন, য কলং ন জুগুঞ্জ, তৎগুঞ্জিতং ন যৎ মনঃ ন জহার.

অনুবাদ .--(শরত থাগী কজ নিংথিজবগী রা অতৈ কারি হায়নি) থম্বাল কজনা শাত্তুনা লৈতবা ঈশিং অহু ঈশিং নত্রে; খোইমু ভোংত্রবা থম্বালশিং অহু থম্বাল নত্রে; মখোং ৬ পান্দবা অমম্বুং খোজেন মুংশিনদবা খোইমুশিং অহু খোইমু নত্রে, পুক্নিং হুদবা খোজেন অহু খোজেন নত্রে।

য়াহং :— মতম অচুদা থম্বাল হৌদবা ঈশিং লৈরম্মোইত্রা ?

পাউখুম :— থম্বাল শুকহৌ হৌদবা ঈশিংগী লম পুম্ব্রী পাংস্ত লৈরমই। ভুরেম্দা (ঈচেল নাইবদা) থম্বালদি শুকহৌ হৌ য়াদবনি।

য়াহং — মচু ওইরবদি থম্বাল শাত্তবা মকমশিং অচুগী ঈশিংবু ঈশিং নক্রবদি করি হায়বনি ? (ক) ভুরেম্দ থম্বাল হৌদবা মরম করিগীনো ?

খুম্বা :— থম্বাল শাত্তবা লমগী ঈশিংস্ত ঈশিংনি। কবি অসিনা থম্বাল শাত্তবা মকমগী ঈশিং অচু ঈশিং নস্তে হায়বা য়াকম অসিদি লৌরোই। মসুংগী ভাবদি লৌগনি, হায়বদি কবি অসিনা কাল্পনিক শক্তি হেন্দোক্লা লৈবা উই, ভাবার্থ অমস্তং প্রমাণ য়াওবা পম্ব লেংবা হৈবা, শক্তি চংবা কবি অমনি হায়না লৌগনি।

মৈতৈরোন্দস্ত মী কনাগুম্বা অমনা— "লৈকাই অচু ইনাক খুনবগী লৈকাইনি" হায়রগস্ত লৈকাই অচুদা লাইরবা মী থরস্ত লোইদন লৈরমগনি ; ইনাক খুনবা মীগী মশিংনা হেল্লি হায়বগী য়ানি। য়াহায়নদি লাথরবা অমত্তা লৈত্তবোই নীংহল্লে, প্রমাণ অমদা অমুক (১) চাক চাদবা জীববু মী কৌবা য়াত্রা ? (২) সোর হোম্দবা জীববু অহিংবনি, হায়বা য়াত্রা ? য়ারেং অনি অসিগী প্রমাণনা কংবা অর্থদি— (১) মীনা চাক চাই। (২) জীব শিরগা শোর হোন্দে,

(ক) থম্বাল ভুরেম্দা হৌ য়াদবগী মরম অহুম লৈ।

(১) থম্বালগী মমিং অমদি সংস্কৃতা "পঙ্কজ" কৌই। "পঙ্কজ"

সী অর্থ, লৈখোমসী মচা। হায়বদি লৈখোম হোম্বা মফমদা থম্বাল হৌই, তুরেল্দি লৈখোম হামদে।

(২) ঈশিং চাংশংহল হেন্জুরবা মমদা থম্বাল হৌই। থম্বাল চার চাবা হৌবা অমসুং শাংপা মতমদা, তুরেলগী ঈশিং চাংনাইনা লেত্তে।

(৩) লেম্ফু তোবা রাদিং মতমদা থম্বাল হৌগনি, তুরেল ঈশিং চেন্দুনা, লৈবা মরমন, পশীশিং হাই হমচুনা লোমখ্রবা লৈ। অদুনা লেম্ফু মরা তৌরবা ওদনা থুনা শিংখি [illegible] ইচেল্দা তাওখি।

কবিগী কল্পনা ভাব

কবিগী কল্পনা শক্তিদগী, বিভাব, অনুভাব, সাত্ত্বিকভাব অমসুং ব্যভিচারী ভাব হৌরবা ভাব মরি ৪ শাককই, ভাব মরি অসিদগী শৃঙ্গাররসকীবা রস ৯ [illegible] শাগৎলকনা হায়নৈ। কবিনা মশাদা রস কয়া ওইরবগা মদুগী মতাংক "তন্ময়" ওই। হায়বদি শকুন্তলাগী দুখী অঙাংগী মচা অমা শিজিন্নদুনা, দুখী অদুনা কপলাউবা অমসুং তেংথাবদনা অতোংবা কোংবা মতৌ অদু কবি অদুনা উরদুনা, করুণ রসগী কবিতা অমা কোংগে নিংলে, মতম অদুদা কবিগী থমোংদা, দুখী অদুনা ওইরবা অবাবগী ফিভম অদু চপ চানা ফাওরকখি [illegible] মচা কইনবা দুখী অদুগা কবি অদুগা ভাব রস তেংরে, মসিবু "তন্ময়" ওইবা কৌই। তন্ময়গী অর্থদি তৎ+ময়=তন্ময় "তৎ" অমসুং "ময়"

শব্দ অনিন সন্ধি ওইবগা "তন্ময়" শব্দ ''খ তং অত্, অদুগী. ময—মশক ওইব, মচা কাইনবী মুপী অদুগী ম"ক কবি অহনা ওইখি। কবি অপী তানা তানা কবিতা লেংলে। কবিতা অদু পারুবা মীগী অপী তাগনি মমু দ''চরণা ঐন কপীং ২ বা হায়জরগা অতাব, মীমু কপ্ল্‌ংগনি, ঐনা লোক্লা হায়বগা অতাবা মীশু নোক্লীংগনি, ঐনা নোক্লা ২ দা হায়রগা মীবু কপ্ল্‌ হায়বা য়াবা পোৎ নত্তে শরেং লোন্দা রসকী ভাবদা

* "তন্ময়" ওইবা তন্নদুনা পত্ত কোম্পদি পত্ত অদুগী মমুংদম্মু শাইদনা বস য়াওগনি।

ব্যাকরণগী মরোল খরা

সন্ধি অমসুং সমাস

মেইকৈরোম্দা সন্ধিগা সমাসগা হৌবী শহু নইকৈ

★ তন্ময় ওইনা তম্ব কবি অমাগা, অ ম শবা ও বনি বাল্মীকি ব্যাস, কালিদাস, জয়দেব, তুলসীদাস অমসুং রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরন চংবা ভারতীয় কবি—পৃথিবীদা মামং কাপ্রবাপা লাইব খবা করব। লাইনা থাবা ওইরবশু ওইদ্রবশু মপুরীংদা, ইমুং মনুংগী চৈতন্য হৈবকী যুম পুবকী বাখল চংহন্দনা, সাধনা অমসুং অভ্যাস কনগা তন্ময় ওইব, কাণ্ড শক্তিচংবা কবি অচৌবা অমা ওইবা ওমই মমম অ'সদ", মধুসূদন চায়বা ভারতীয় নিংথৌশিংনা মমাংতৌদা কনাগুম্বা মীশু ও কী মশাদ, কাইকী ভাব চংবা মায়কৈ উরগা, মনা-মথুম লম-তু মাঙোন্দা পীনদুনা মপুকাং থোগৎপীরমই। লৈত-লাইরবী বাখল মবুক্তা চংকসমদে। মমম অসিনা মকম অদুগী ভারতকী সাহিত্যনা পৃথিবীদা থ্বাইগী মথক্কী বাংবা থাকী ভাংবন্দা ডাপ্পোইরখিনি।

সন্ধি

Conjunction of Letters or words.

সংস্কৃত ভাষাগী স্বর সন্ধিদা গুণ অমসুং বৃদ্ধি লৈবগুম মৈতৈ-রোনগী স্বর সন্ধিদা গুণ অমসুং বৃদ্ধি লৈতে। সন্ধি মখলসু তনা লৈতে। মৈতৈরোন্দা সন্ধি মখল ৩ শুই। মতৃদি— স্বর-সন্ধি, ব্যঞ্জন-স্বর সন্ধি অমসুং ব্যঞ্জন সন্ধি।

সন্ধিগী অর্থ—তাইশিনবা, পোংশক ২বু অমতা ওইহনবা, পুনশিনবা।

"স্বর সন্ধি"

Conjunction of Vowels.

সূত্র ১বা— অকার, আকার, ইকার, উকাব, একার, ওকার অমসুং ঔকারগী মতুংদা "অ" লৈরবদি, মতুংদা লৈবা "অ" অদু মাংখি; অদুগা কবিগুবদা মাংখংবা আকার অদু অকার ওল্লি। মতৃদি— ইমা+অহল=ইমাহল, তাদা+অহল=তাদহল, মামা+অহল=মামহল, অসি+অমা=অসিমা, ইপু+অতোন=ইপু-তোন, কৈ+অমা=কৈমা, উনৌ+অসি=উনৌসি, মাংখিবা ময়েক অদুগী মফমদা (') খুদম অসি কনাগুম্বনা থমৈ। মতৃদি— লুপা+অসি=লুপা'সি। খুদম থমদবসু য়াই।

(ক) অহল শব্দগী মাং থংবা শব্দ অদু ব, বানা লোয়া ওইরবদি অহল শব্দগী অ মাংখি, অদুনা ব, বা, বা ভ ওন-গল্লি। মতৃদি— চাওবা+অহল=চাওভল, নৌবা+অহল=নৌভল, পিবা+অহলদি=পিভল ওইদে; নং ১ সূত্রগী মতুং ইন্না পিবা-হল ওই।

সূত্র ২শুবা— অথৌবা শব্দনা অথোইবা, অহৈবা অমসুং অকনবা শব্দগী অর্থ পুরক্পনা, শব্দ অমগী তুং থংনা লৈরবদি অকনবা শব্দগী মাং থংবা "অ" গা তুংথংবা "বা" গা মাংখি। মখুদি— ইপু+অথৌবা=ইপুথৌ। হুই+অথৌব=হুইথৌ।

সূত্র ৩শুবা— (সনা অমসুং লৈমা লোবা মী) অঙাং শব্দনা তুংথংনা আকারান্ত শব্দগা সন্ধি তৌবদা, অঙাং শব্দগী "অ" গা মাং থংবা আকারান্ত বর্ণগা মাংখি। মখুদি :— তাদা+অঙাং= তাঙাং, মামা+অঙাং=মাঙাং।

(ক) মাংথংবা শব্দ অদু ইকারান্ত ওইরবদি, অঙাং শব্দগী "অ" তঃ মাংখি। মাংথংবা "ই" মাংদে মখুদি — ইবাই+ অঙাং=ইবাইঙাং।

সূত্র ৪শুবা— ইবুংঙো শব্দনা তুংথংনা আকারান্ত শব্দ অমগা সন্ধি তৌবদা মাংথংবা আকারান্ত বর্ণ অদু মাংখি। মখুদি :— তাদা+ইবুংঙো=তাইবুংঙো, মামা+ইবুংঙো=মাই-বুংঙো, ওঝা ইবুংঙো অমসুং খুরা ইবুংঙো, সন্ধি য়াদে।

(ক) মাংথংবা বর্ণ অদু "ই" নত্রগা ইকারান্ত শব্দ ওইরবদি ইবুংঙো শব্দগী ই মাংখি। মখুদি :— ইবাই+ইবুংঙো= ইবাইবুংঙো, পারি+ইবুংঙো=পারিবুংঙো।

সূত্র ৫শুবা— স্ত্রী লিঙ্গ ইবেম্মা শব্দনা তুংথংনা শব্দ অমগা সন্ধি তৌবদা ইবেম্মা শব্দগী "ই" মাংখি। মখুদি :— ইচে+ইবেম্মা=ইচেবেম্মা, ইনে+ইবেম্মা=ইনেবেম্মা, স্না+ ইবেম্মা=স্নাবেম্মা।

(ক) অাকারান্ত ইনমা শব্দগ ইবেম্মা শব্দগা সন্ধি তৌরগ আকারান্ত বর্ণ অদুস্থ মাংখি। মথুদি . -ইনমা+ইবেম্মা=ইনবেম্মা।

"ব্যঞ্জন স্বর য়ান্নবা সন্ধি"

(সংস্কৃত সান্ধদা য়াওদে)

সুত্র ১ব। - অমা শব্দগী মাংখবা শব্দ অও জুরা নাইবা শব্দ ওইরবদ অমা শব্দনা নামা শব্দ ওল্লি। মথুদি :— যণ+অমা=যণনামা, খুৎ+অমা=খুৎনামা, পাম্বোম+অমা= পাম্বোম নামা, কেনাং+অমা=কেনাঙনামা।

সুত্র ২শুবা— পাবোৎ শব্দগী মতুং সংখ্যাবাচক শব্দগী অ কৈরবদ অ মাংখি, অদুগা পাবোৎ শব্দগী পা বর্ণসু মাংখি মথুদি :— পাবোৎ+অমা=পোৎমা, পাবোৎ+অনি=পোৎনি. পাবোৎ+অহুম=পোৎহুম।

(ক) পাবোৎ শব্দগী মতুং সংখ্যাবাচক অ নত্তবা বর্ণ কৈরবদি পাবোৎ শব্দগী পা মবেক্ত মাংখি মথুদি :— পাবোৎ+ মরি=পোৎমরি পাবোৎ+মঙা=পোৎমঙা।

সুত্র ৩শুবা— স্বর সন্ধিগী সুত্র ২ শুবগীদা হায়খিবা অর্থ পুবা অথোবা শব্দগী মমাংগী হসন্ত বর্ণ না লোয়বা শব্দ অমগা সন্ধি তৌবদা অথোবা শব্দগী মাংখবা "অ" মাংখি, তুংথবা "বা" সু মাংখি মথুদি :— ইপন+অথোবা=ইপথৌ ইবেন+অথোবা=ইবথৌ, অকল+অথোবা, শব্দ অসি অসি সন্ধি য়াদে, য়াহৈ লাগানি।

সূত্র ৪সুবা— Large বৃহৎ প্রকাণ্ড অর্থ কোংবা "অচৌবা" শব্দনা বিশেষ্য (Noun) শব্দ ১গী তুং থংলগা "অচৌবা" শব্দনা জাউ ওনখি, মতৌদি :— মী+অচৌবা=মীজাউ, উ+অচৌবা= উজাউ, চীং+অচৌবা=চীংজাও, পাং+অচৌবা=পাংজাউ, তুরেল+অচৌবা সন্ধি তৌবা য়াদে।

সূত্র ৫শুবা— অচৌবা, অঙাংবা, অমুবা, অযাংবা, অতোংবা, অকুৎপা অসিনচিংবা "অ" না হৌবা আকারান্ত বিশেষণ বাচক শব্দনা তুংদা লৈছনা বিশেষ্য শব্দ অমগা সন্ধি তৌবদা বিশেষণ শব্দগী মাংথংবা "অ" গা তুংথংবা আকারান্ত বর্ণগা মাংখি। মতৌদি :— ফি+অঙাংবা=ফিঙাং, ফি+অমুবা=ফিমু, ফি+অচৌবা=ফিচৌ, শেল+অযাংবা=শেল্যাং, শেল+অতোংবা= শেল্তোং, চেং+অনৌবা=চেংনৌ, লৌ+অকুৎপা=লৌকুৎ, লম +অপাকপা=লম্পাক, লম+অহাঙ্বা=লমহাঙ্।

ব্যঞ্জন সন্ধি

Conjunction of Consonats

সূত্র ১বা— হসন্ত "ৎ" গী মতুংদা নোঙবা অর্থ কোংবা "চবা" শব্দ লৈরবদি হসন্ত ৎ অমসুং চ ওল্লগা তুংথংবা চগা সংযুক্ত ওই (ত্তিরে)। মতৌদি :— কৎ+চবা=কচ্চব, হঙৎ+চবা=হঙচ্চবা, চৎ+চবা=চচ্চব', উৎ+চবা=উচ্চবা।

(ক) "চবা" শব্দগী মাংথংবা শব্দ অদু হসন্ত ন্ কারান্ত অমসুং হসন্ত ল্ কারান্ত ওইরবদি ন্ অমসুং ল্ না ঞ ওনখি; চবগী

মাংথংবা চ না জ ওয়গা এও দা সংযুক্ত ওই। মতৃদি :— পন+চবা=পজবা, লেন+চবা=লেজবা, খল+চবা=খজবা, লোল+চবা=লোজবা।

(খ) "চবা" শব্দগী মাংথংবা বর্ণ অচু ন অমসুং ল নত্তবা বর্ণ লৈরবদি চ অচু জ ওই। মতৃদি :— হায়+চবা=হায়জবা, তৌ+চবা=তৌজবা, কোং+চবা=কোংজবা।

(গ) চ বর্ণগী মাংথংবা ল্ বর্ণ অচু এও বর্ণ ওনথি, চ না জ ওয়গা এও দা সংযুক্ত ওই মতৃদি :— থুল+চ' (Son)=থুজা, তল+চা (Small)=তজা, কোল+চাক=:ক'জাক।

সুত্র ২শুবা— মথক, মথা, মচুং, মরক,ময়া, ময়াই, মপাল অসিগুম্বা বিশেষণ বাচক শব্দগী মাংথংবা "ম" বর্ণ মাংখি মতৃদি :— উ+মথক=উথক, উ+মথা—উথা, চীং+মচুং=চীংচুং, লৌ+মরক=লৌরক, চীং+ময়া=চীংয়া, থুল+ময়া=থুলয়া, মী+ময়াই=মীয়াই।

(ক) ঈশিং শব্দনা মাং থংলগা বিশেষণ শব্দ অমগা সন্ধি তৌরগা ঈশিং শব্দগী "শিং" বর্ণগা বিশেষণ শব্দগী মাংথংবা বর্ণগা মাংখি, করিগুম্বদসু মাংখিদে। মতৃদি :— ঈশিং+মচুং=ঈচুং, ঈশিং+ময়াই=ঈয়াই, ঈশিং+অখোইব (অহেনবা)=ঈখোই, ঈশিং+কংবা থা=ঈকংথা, ঈশিং+অনৌবা=ঈনৌ, ঈশিং+অচাংবা=ঈচাং, ঈশিং+অকবা, ঈশিং+কত্তবা মসিদি সন্ধি য়াদে।

(খ) লৈশাক শব্দগা বিশেষণ শব্দ অমগা সন্ধি তৌরগা,

লৈপাক শব্দগী মথৈখংবা "পাক" হায়বা ময়েক অসি করিগুম্বদা মাংখি। বিশেষণ শব্দগী অহৌবা মথেক অদুগা মাংখি, বিশেষণ শব্দ অদু "বা" ময়েক্না লোয়বা ওইরবদি "বা" ময়েকসু মাংখি। মতুদি :— লৈপাক+মচুং=লৈচুং, লৈপাক+মথা=লৈথা, লৈপাক+মথক=লৈথক, লৈপাক+অনৌবা=লৈনৌ, লৈপাক+অঙাংবা=লৈঙাং, লৈপাক+অমুবা=লৈমু, লৈপাক+মমাং=লৈপাকমাং। মকম অসিদা "পাক" ময়েক অসি মাংখিদে। মরক, ময়া, ময়াই অমসুং মপাল শব্দশিংগা মথক্কী নিয়মদা সন্ধি তৌরবদি ইতোপ তাপ্পা অর্থ পুই। মতুদি :— লৈপাক+মরক=লৈরক, লৈপাক্কী মরক অর্থ কোংখিদে; লৈকাইগী মনুংদা চংনবী লম্বী খংহল্লি। অসুম তৌনা লৈপাক+ময়াম=লৈয়াম; অর্থদি লৈপাক তৌকম অমগী মতাই নত্রগা সরোক অমসুং লৈরক্কী মতাই। লৈপাক+ময়াই=লৈয়াই, অর্থদি সরোক লৈরক অমসুং লৈপাক তৌকম অমগী সেণ্টর, লৈপাক+মপান=লৈপান, অর্থদি সরোক লৈরক অমসুং লৈপাক তৌকম নত্রগা থোনকম অমগী কিবান।

অয়াম্বা মকমদা "ঈ" ময়েক্না ঈখিং অমসুং মহি লাংবা পোং খংহল্লি। "লৈ" ময়েক্না পৃথ্বী, লৈপাক, দেশ খংহল্লি। লৈ=Tongue, লৈ=Flower,, লৈ=Red Colour গী অর্থসু কোংই, লৈ বিশেষণ শব্দ ওইনা শিজিন্নবদা।

সূত্র ৩৩ব — অ'কারান্ত ক্রিয়া বিশেষণ অমগা "মকম" শব্দগা সন্ধি তৌরগা, আকারান্ত বর্ণ অদুগা মকম শব্দগী পুর্ব্ব বর্ণ অমগা লোপ ওই (মাংখি)। মতুদি :— লৈবা+মকম=লৈকম,

খি কৌবা+মকম=খি কৌকম, ঊশিং তাবা+মদম=ঊশিং তাকম।

সূত্র ৪৩গা— শেং, শেন, শেনবা শব্দগী মাংথংবা শব্দ অহু হসন্ত ন্ অমসুং হসন্ত ল্ বর্ণনা লোয়া শব্দ ওইরবদি ন্ ল্ না এ ওনথি; তুংথংবা "শ" না "জ" ওরগা এ দা সংযুক্ত ওই। মতৃদি:— খেল+শেং=খেঞ্জেং, কোল+শেং=কোঞ্জেং, মল+শেল=মঞ্জেন, মন+শেনবা=মঞ্জেনবা।

সূত্র ৫৩বা— ং ন্ ল্ না অন্ত বর্ণ ওইবা শব্দগী মতুংদা প বর্গনা হৌবা শব্দ লৈরবদি ং ন্ ল্ না ম ওরগা প বর্গগী বর্ণগা সংযুক্ত ওই। মতৃদি:— চেং+ফু=চেম্ফু, খেল+ফু=খেম্ফু, চেং+পাক=চেম্পাক, মোন+পাক=মোম্পাক, কোল+মাই=কোনমাই।

(ক) ং ন্ ল্ ম্ না অন্ত বর্ণ ওইবা শব্দগী মতুংদা ক, খ বর্ণ লৈরগা গ ওল্লি, ং ন্ ল্ অমসুং ম্ না ঙ ওরগা ঙ গা তিনৈ। মতৃদি:— খোং+খুল=খোঙ্গুল, মণ+কোল=মঙ্গোল, কোম+কুং=কোঙ্কুং, পান+কং=পাঙ্কং। করিগুম্বদা খ অতু গ ওইদে। মতৃদি:— কাল+খোং=কাঙ্খোং, কাং+খোং=কাঙ্খোং।

(খ) ন্ ল্ গী মতুংদা ত বর্গ লৈরবদি ল্ না ন্ ওল্লি। ত বর্গগী বর্ণদা ন সংযুক্ত ওই। মতৃদি:— ওন্+থক=ওন্থক, পল্+থক=পন্থক, উন+তিং=উন্তিং, উন্+নংবা=উন্নংবা, শেল্+থা=শেন্থা।

সমাস (Compound)

পদ (word) অনি অহুমনা পুল্লপ পুল্লগা অর্থ অমতা কোং-দোকপা অদুবু সমাস কৌই।

সমাস ওইব য়'বা পদশিং অদুগী অমগমু সমস্যমান পদ কৌই। সমাস ওইরগা সমস্ত পদ কৌই। মতুদি :— উ অমসুং অচৌবা পদ অনি অসি সমস্যমান পদনি। পদ অনি অসি পুল্লগা 'উচ্চাউ'' অসিবু সমস্ত পদ কৌই।

চাউরাক্পা সমাস মখল মরি লৈই। অদুদি :— অব্যয়ীভাব, তৎপুরুষ, বহুব্রীহি অমসুং দ্বন্দ্ব দ্বন্দ্ব সমাসগী মরোল ইরগোই, মৈতৈরোনগী রাহে পাবোংগুম্বনি।

সমাসদা— সমস্যমান পদশি' সন্ধি ওইবা য়ারগা সন্ধি শৎ।

অব্যয়ীভাব সমাস

মনাক, ময়া, ময়াই, মতুং মপান (১) অসিগুম্বা অব্যয় শব্দগা বিশেষ্যগা তিন্নরগা অব্যয়ীভাব সমাস কৌই। মতুদি :— ইমা, মনাক=ইমানাক। যুম, ময়া=যুময়া, লৌ, মতুং=লৌমতুং তুরেন, মপান=তোর্বান অসিনচিংবা।

তৎপুরুষ-সমাস

কারক (case) গী মতুং ইন্না তৎপুরুষ সমাস মখল ৬ লৈই।

---

১ কাংখিবা শব্দশিং অপেংবা অব্যয় শব্দ নত্তে; বিভক্তি চংই, অপেংবা অব্যয় শব্দদা বিভক্তি চংদে। মতুদি :— তৌইগুমসুং, অমসুং, মত্রগা, অসিগুম্বা বিভক্তি চংবা শব্দশিংবু অব্যয় কৌবনি।

মহুদি :— দ্বিতীয়া তৎপুরুষ, তৃতীয়া তৎপুরুষ অসিনচিংবা। সমাস ওইবা মতমদা বিভক্তি লোপ ওই (মাংখি)।

দ্বিতীয়া তৎপুরুষ বিভক্তি "বু" "পু"

কর্ম্ম কারক 2nd Case

কৈবু কাবা মী=কৈকাবা মী। মীবু চৈবা=মীচৈবা। লোবু খোয়বা=লোখোয়বা, কৈবু হাংপা=কৈহাংপা।

তৃতীয়া তৎপুরুষ বিভক্তি "না"

করণ কারক 3rd Case

চক্রিনা তকপা চেং=চক্রি চেং, খুৎনা ই বা লাইরিক=খুৎই লাইরিক, কোলুনা তম্বা থাও=কোলু থাও।

চতুর্থী তৎপুরুষ বিভক্তি "দা" "তা"

সম্প্রদান কারক 4th Case

লাইদা কৎনবা লৈ=লাই কৎনবা লৈ, খুরাদা পীজনবা হৈ=খুরা পীজনবা হৈ, সনামহীদা কৎনবা কবোক=সনামহী কৎনবা কবোক।

পঞ্চমী তৎপুরুষ বিভক্তি "দগী" "তগী"

অপাদান কারক 5th Case

গঙ্গাদগী লোকপা জল (ঈশিং)=গঙ্গাজল, গোহাটিদগী থাও=গৌহাটি থাও, শিলংদগী হৈ=শিলং হৈ।

ষষ্ঠী তৎপুরুষ বিভক্তি 'গী' "কী"

সম্বন্ধ কারক 6th Case

মৈতৈগী চেং=মৈতৈ চেং। লোরকী ভা=লোরক ভা।
ত্থেলগী থাং=ত্থেল থাং। তেখাওগী মচা=তেখাও মচা।

সপ্তমী তৎপুরুষ বিভক্তি "দা" "তা"

অধিকরণ কারক 7th Case

উদা পানবা হৈ=উহৈ। লৈপাক্তা শাৎপা লৈ=লৈপাকলৈ।
খোংদা পোম্বা=খোংপোম্বা। খুত্তা শোকপা=খুৎশোকপা।

কর্ম্ম ধারয় সমাস

বিশেষ্য (Noun) পদ অমগা বিশেষণ পদ (Word) গা সমাস তৌনরগা কর্ম্ম ধারয় সমাস কৌই। মতুদি :— চেং, অনৌবা =চেংনৌ। মী, অচৌবা=মীকাউ। লং, অতৎপা=লংতৎ।

কর্ম্ম ধারয় সমাসগী মথল থরা লৈ তনবা ইররোই। উপমান কর্ম্ম ধারয়—বিশেষ্য পদ অমগা বিশেষ্য পদ অমগা উপমান (উপমান=চাংদম্নবা) তৌনবা অদুবু উপমান কর্ম্ম ধারয় সমাস কৌই। মতুদি :—থাগা মান্নবা ফজবা মাইথোং=থাজ মাইথোং। থম্বালগা মান্নবা ফজবা মিৎ=থম্বাল মিত্তা। শামু মখোংগা মান্নবা চাউবা খোং=শামু খোংতা। অমুম তৌনা, জ্ঞান মণ্ডাল, হৃদয় মন্দির, থমোর ফুরা, বাক্যামৃত, রাহৈ থুম্বা, তরং লাঈক্তা, লৈকং, মিৎলাউ, খোংশাং অসিগুম্বা রাহৈশিং কর্ম্ম ধারয় সমাসনি। কর্ম্ম ধারয়গা দ্বিগু সমাসগা তৎপুরুষ সমাসগী মনুং চঙ্লি।

উপমান (উপমা) অমসুং উপমেয়

থাজ মাইথোং লায়রগা, মাইথোং অমু কজবদা থাগা চাংদয় বনি। মকম অসিদা থা "উপমান" পদনি, মাইথোং "উপমেয়" পদনি। থম্বাল মিত্তা হায়রগা থম্বাল "উপমান" মিং "উপমেয়" পদনি। মরু ওইবা বিশেষ্য পদ অদুবু "উপমেয়" কৌই, মদুগা উপমান তৌবা (চাংদমবা) বিশেষ্য পদ অদুবু "উপমান" কৌই।

বহুব্রীহি সমাস

সমস্যমান পদশিংগী, মশা মশাগী অর্থ কোংদোক্তনা ইতোপ তোপ্পা অর্থ অমা কোংদোকপা সমাসবু বহুব্রীহি সমাস কৌই। মতুদি :— শূলপানি, শূলগী অর্থ ত্রিশূল, পানিগী অর্থ খুৎ, শূল পানিগী মশা মশাগী অতোবা অর্থ ত্রিশূল, খুৎ কোংদোক্তুনা "মহাদেবগী" অর্থ কোংদোকই, 'শূল পানৌ যস্য সঃ শূল পানিঃ" অর্থদি মখুত্তা ত্রিশূল পাম্বা মীশক, হায়বদি মহাদেবনি, মকম অসিদা "শূলপানি" অসি বহুব্রীহি সমাসনি।

মৈতৈরোন্দা— 'পুংরৈবা" অসি "ইশৈশকপ." অহুমগা মথা-রোমদা কুমথশিবা উই, হায়ররবদি "পুংরৈবা" অমসুং "ইশৈশকপা" মীবু খংনরে, পুং ইশৈগী থবক (Subject) বু খংনদে। মকম অসিদা "পুংরৈবা" অমসুং "ইশৈশকপা" বাক্য (ৱাহৈ) অসি বহুব্রীহি সমাসনি।

অমরোমদা— তোম্বা। নং কদোইদা "পুং রৈবা" তাবি? চাওবনা কদোইদা "ইশৈ শকপা" তাবি? ৱাহং অসিদা পুং অমসুং ইশৈনা তৌবা থবকপু খংদৈ, বহুব্রীহি সমাস নত্তে। পুংবু

রৈবা=পুংরৈবা, ইশৈবু শকপা=ইশৈ শকপা, দ্বিতীয়া তৎ পুরুষ সমাস ওইরে।

বহুব্রীহি সমাসকী উদাহরণ খরা—"কোয়েৎ অঙাংবা" অর্থদি দারোগা অমসুং দোলাইপাবা। "হৌদোং লম্বোইবা"= তাংভৌবা—মপুক শেংদবা মী। "মুন লৈবা"=হৌদোং। "মৈথু"=চুরুপ বিডী অমসুং হিদাক। "অনোইবা"=ইরোম্বা। "নাপী"=লিল। "অরাংবা"=শামু। "অঙৌবদা অমুবা তাবা"= লায়রিক ইনবা। বাহৈগা অর্থগা থেন্নবা অসিগুম্বা বাহৈশিংবু বহুব্রীহি সমাস কৌই।

য়ারেং শেম্বা—ভোম্ববু কোয়েৎ অঙাংবনা কাগে তায়রি। থুরাভোম্দি হৌদোং লম্বোইবা শারে। মুনলৈমচু তাম্মোকখ্রো। ইপু মৈথু ভৌবীব্রা ? অনোইবা খরা হাপকউ। পুকচোন নাপীনা শোক্তনা মাইবনা কয়া লাক্করি। য়েংউ! সরোক্তা অরাংবা চৎথিবা, নকি নরোল চেকশনু চুপীশা। অঙৌবদা অমুবা তায়-বনিনা, হৌজিক মা কদাই লিংপা ঙমগনো ?

বাহৈ-তুমাশাবা

যুগ্ম শব্দ (Double Words)

মৈতৈলোন্দা বাহৈ তুমা শাবা কনা য়াম্না লৈ। বাহৈ তুমা শাবশিং অসি মথক ৪ থেক্না থ'ইদোকপা য়াই। মচুদি :—বাহৈ-পাবোৎ, বাহৈ-কাইবোক, বাহৈ-লাম্বা অমসুং বাহৈ-ওয়ৈতেন্নবা।

১। ৱাহৈ-পাবোং

যুগল শব্দ (Couple Words)

উখুল-ৱাইখুল, ইকাই-খজোই, খুম্মুক-তাইরুক, খুরুম-খাজিন, নাতৈ-পুতৈ, ফুৱা-চগা, নাপী-শিংবী, পোং-চৈ, শক্তা পুতা, কম্মেল-মাংশোক, মরুপ-মপাং, ৱাখি-ৱাতাই য়েৱখ-লুখা, শুমাং-থেল্লোং, য়ুম-কৈ, থিদাক-লম্বক, থৌদৌ-লাক্কৌ, ফত্ত হাওদী, চীং-মান, অৱাই-অথুম, অথং-অৱাক, হৱান-চিম্বি, অৱান-অহুই, ৱাথোক লাম্বোক, শাগৈ-নাতৈ, চমু-চনা অসিগুম্বা ৱাহৈ পাবোংশিং অসি বহুবচননি (Plural Number) মতুং খংবা ৱাহৈ অমু লৌথোক্লগা একবচন (Singular Number) ওই। মচুদি:—"চীং মান" বহুবচনি, তুংখংবা 'মান" লৌথোক্‌না "চীং" তা হায়ৱগা একবচন ওই। উদাহরণ— চাউবা "চীং মান্দা" কোইচং চংলি। মসিগী ভাবার্থদি চীং অমতদা চংগা নত্তে। "চাউবা ওসি ৱাইথৌ চাং কাখি" হায়ৱগা চীং অমদা কাখিবগী অর্থনি অমুগা তুংখংবা ৱাহৈ অমু তোঙান্না শিজিন্নৱগা, অর্থ ৱাউগন্দে, নত্রগা ইতেপ তোপ্পা অর্থ অমা কোংই।

২। ৱাহৈ-ফাইবোক

যমল শব্দ (Twin Words)

কোয়ৌ-মুমিং, খৱাই-খোং, নমু-মী, তৱেং-খোঙা, তৱা-চাক, মঙা-মকৌ, চোয়মু-মনা, পাঘেল-ঙৈ, পোম্বী-চেন্না, মালং মুংশিং,

মালেম-লৈপাক, লোইবী-চীং, লাইজা-ঈশিং, লেৱে-তা, মালোই-শগোল, মাতৌ-শা, লাঙ্গোয়-শামু, তাঙ্ক-লীন শীতেল-লৈয়াং, লোয়ত্ন-থুম, থোয়ুম-লাই, চীঙ্-লাইপক, কোলোই-মিং, কো-লোই-মাহৈ, কোলোই-পাউ, তুরেল-তুখুল অসিগুম্বা অর্থ মায়বা বিশেষ্য মাহৈ অনিনা পুনবনু মাহৈ কাইবোক কৌই।

৩। মাহৈ-লাম্বা

সম শব্দ (Equal Words)

অকল-অথৌ, অথুম-অহাউ অবা অনা, অথং অয়াউ, লাই-তৌল, লাইরম-তৌললম, তৌল কাং, ইহৌং-নাইহৌং, ঈ-নাই, ঈং-মাই, চেংহী-উতী, মুংতাই মাইক, মুংশী-মুংতোল, অপাম-মুংশী, লৈম-সিজ, লৈত-লাটয়বা, লৈখোম-লৈনাং, হি-মাই, হিমেং-মাইমেং, হিকল-মাইকন, পুং ইশৈ, পাখং-লৈশাবী, অশোন-অনা, কজ-নিংথি, ফুরিং-কৈজোম, মেরু-তিংখং, নোং-মুংশিং, লাই-গুরু, সাধু-বৈষ্ণব, শাম্নেং-পাম্নোম, হেলোই-হেয়াউ, অনৌ-অপেং, শঙ্গোম চুহি, চেং-চাক, থুল-লৈকাই অসিনচিংবা পুন্নিবা মাহৈ অনিমক্তা চাং নম্নগা গুণ মাহৈ, মরম অসিনা মাহৈ লাম্বা কৌই।

৪। মাহৈ (অইজেনবা) লাম্বা শোয়বা

বিষম শব্দ (Contrary Words)

অই-অশা, অশং-অশিং, অচৌ-অপিক, অয়ী-অনৌ, অহৈ-লৈত, অকল অথোং, অমোম-অয়াং, অরম-অয়াং, খা-মাং, মখিং

মমাং, তুং-মাং, লাইর-ইনাকখুন, অঘু গুরু, থক-খা, থকশি-খাশি, মপু-মনাই, সাধু-দাকু, স্বর্গ-পাতাল, অক্ষ-কত্ত, অচুম-অরান, দোষ-গুণ, অপৈ-অচুব, লোকপা-শিবা, জন্ম-মৃত্যু অসিনচিংবা ৱাহৈ অপুনবা অনিগী অর্থ অমগী বিপরীত ওইনা লৈনবা অসি, ৱাহৈ (ওয়তৈনবা) লাম্বা লোয়বা কৌই।

মথক্তা হায়খিবা "ৱাহৈ তুমা শাবা" মথল ৪ গী মমুংদগী "ৱাহৈ কাইবোক" নত্তনা মথল ৩ দি বাঙ্গালানচিংবা ভাষাদগী থরা মরাউই।

ৱাহৈ মতেক

ভগ্ন শব্দ (Parts of Words)

ক্রিয়া বাচক শব্দবু বিভক্তী য়াউদনা শিজিন্নবগা ৱাহৈ মতেক কৌই। হায়বদি ৱাহৈ মপুং কাইদবু ৱাহৈ মতেক কৌই। বিভক্তী লোথোক্লগা ৱাহৈ মতেক ওই। মতুদি:— "চারে" ক্রিয়াগী "রে" লোথোক্লগা "চা" ৱাহৈ মতেক্নি।

উদাহরণ ১বা— ৺কবি চাউবগী "থাইনগী লৈরাং" দগী

লোইকাবগী মঙ্গংদা য়াউবা

(ক) মনাই শেঙ্গনা মাংদা "থা" নাইজ হজবনা তুংদা "চৎ"

থা অমসুং চৎ ক্রিয়া অনি অসি বিভক্তী হাপকদ থোক্তুনসু য়াম্নীদনা শিজিন্নরে। "থা" অমসুং "চৎ" ৱাহৈ মতেকনি।

(খ) দোনাই লেংজাও কৈনা "তোং" 'তৌবা পেনা থক্তা "খান"
"তোং" অমসুং "খান" অনি অসি ৱাহৈ মতেকনি ৱাহৈ মপুং কাদ্রে।

উদাহরণ ২শুবা— লেখকী "মালতি মাধব" দগী
তাথুমদগী তাপাক 'শৎ' খাংখুমদগী খাংশাং "শৎ',
মথুৎ নামা নামাদা "পায়" ৱিৎ ই কোরি "কা" উরু উরু "লৈ"

শৎ, শৎ, পায়, কা অমসুং লৈ ৱাহৈ মতেকনি। অসিগুবা ৱাহৈ মতেকশিং ৱারী লাইরিক্তা, পেনা ইশৈদা উপকথা অমসুং শৈরেং ওইনা লেংবা ৱারীদা মকম অচাবদা হাপ্পা কৈ, ইতিহাস অশেংবা, জীবন চরিত অমসুং করিগুম্বা পোংশক অমগী রচনা অমসুং ধর্মগ্রন্থগী মসুংদা ৱাহৈ মতেক হাপ্পা ইবা কজদে।

নানার্থধ্বনি বর্গ (Words with different meanings)

ৱাহৈ অর্থ চরোঙ (অর্থ লোঙব)

খোলহায় থরা খেন্নরবসু বানান মান্নবা শব্দ অমনা অর্থ ৱান্না কোংবা ৱাউই। মসিবু নানার্থধ্বনিবর্গ কৌই। মৈতৈরোন্দা অর্থ চরোঙ পুবা নত্রগা অর্থ লোঙবা ৱাহৈ কৌনি। মসিদি ক্রিয়া অমসুং বিশেষণ শব্দদা য়াম্না থোকল্লি।

উদাহরণ অহানবা—

১। ডাক্তরনা মাগী মথৱাই কল্লে।

২। চাউবা মকি ফ্রং ফ্রং কল্লে।

৩। তোম্বা লৌকম অমা কল্লে

৪। মাগী মপাঙ্গল কল্লে।

৫। মখোয় ইমুং চাবা কল্লে।

৬। চু অসি য়াম্না কল্লে

৭। নিপা মচাসি মচীন কল্লে।

৮। ভানু কোইবা কল্লে।

৯। মাগী খম্মোই কল্লে

"কল্লে" ৯ অসিগী অর্থ অমত্তা মাল্লদে।

১। ঙসি উৎসোবগী চাক ইন্দাং কৌই।

২। অঙাং অসি মচিন কৌই।

৩। নংবু মমানা কৌই

৪। মাগী মমিং তোম্বা কৌই

৫। ঐ ঙাস জাদং কৌই।

"কৌই" ৫ অসিগী অর্থ অমত্তা তিল্লদে।

১। কাক মরুম কোল্লি।

২। চাবদা ঐনা ইকোন কোল্লি।

৩। মা মথ্রাং কোল্লি।

৪। মাবু মথুরানা কোল্লি।

৫। চাউবী কি কোল্লি

৬। মমানা মচা কোল্লি।

৭। মপাগী গুরুশমদা মচানা কোল্লি।

"কোল্লি" ৭ অসিগী অর্থ তোঙান তোঙাল্লি।

নাতৈ বাহৈ

উপমিত শব্দ (Comparable Words)

মমাংঙৈদগী মণিপুরদা লৈরমদবা, ম" দেশদগী পুথোরকপা পোংশকী মমিং. মৈতৈয়োন্না নাতৈ শাবা রাহৈদা থোনবা মমিং-শিংবু, নাতৈ রাহৈ কৌই। মখোদি — শেবেং লিনমাম্বী মম্থিচে, কাবোন অখাবী, মৈখেং, পুলে মাম্বী. তুংশি তদাক, তেথাওরু, কবোরু, ঙা উকাবী ঙা শমজেং, ঙাহবেম্মা, ঙা বেলুন পাইবী. ঙমু তেম্পেন, ঙমু পোরোম খামেন অশিনবা অম্রাথবী, কোবী খমজেং মানবী, খ্বাংলাক, মাহতৈ অসিনাচংবা।

অর্থ ওই-য়েং অনি পুবা বাহৈ

বিষম অর্থবোধক শব্দ (A word with contrary meaning)

অর্থ ওই-য়েং পুবা হায়বদি ক্রিয়া অমতনা বিশেষ্য শব্দ অমগা তিন্নরগা কোংবা অর্থ অহুম্ ওম তৈনবা অর্থ অমবু অতোপ্পা বিশেষ্য অমগা তিন্নরগা কোংই। মসিবু অর্থ ওই-য়েং পুবা রাহৈ কৌই। অনিগুম্বা রাহৈ তাংই মাগী ভাষাদদি গুকলৈ লৈতে। উদাহরণ— লৈবা = ক্রয়, কেনা (buy), মাসগী ওম তৈনবা বিষম বিপরীত, (contrary) দি —যোনবা, বিক্রয়, বেচা (sell) নি। ইমা কৈথেল্দা কৌ "তাইবা" চংথ। "তাইবা" গী অর্থ য়োনবা কোংই। ইচে হুকাল্দা থুম 'তাইব' চংথ 'তাইব" গী অর্থ লৈবা কোংই। বিশেষ্য শব্দ কোগা তাইবা ক্রিয়া তিন্নরগা য়োনবা

কোংই, থুমগা ভিন্নরগা লৈবা কোংই। লোনচৎ অসি হৌজিমক বস্তিদা চৎনরি।

তাংজ বাহৈ

উপ শব্দ (Adoptive Words)

অতোপ্পা ভাষাদগী লৌসিন্দুনা মৈতৈলোন্দা শিজিন্নরিবা বাহৈ-শিংবু তাংজবা বাহৈ কৌই। মথৎদি :— সেবা, ভক্তি, পূজা, জলাঞ্জলী, চরণ, শ্রবণ, কীর্ত্তণ, ব্যবহার, ইজ্জৎ, সন্মান, দয়া, ভিক্ষা, প্রার্থনা, সভা, গুদাম, চা, খবর, চিঠি, দোকান, বাজার, সিনেমা, ড্রামা, মিটিং, ছাত্র, ছাত্রী, ঘড়ি, রেডিও, টেলিগ্রাম, ডাকঘর অসিনচিংবা।

বাহৈ কূরূপ

স্ববংশীয় শব্দ (Relative Words)

সমাজগী মতুংদা কাংলুপ, শাগৈ, কূরূপ নাইবগুম ময়েক (বর্ণ) অমসুং বাহৈ (শব্দ) শিংগী মতুংদসু কাংলুপ শাগৈ অমসুং কূরূপ নাইনৈ। বর্ণগী মতুংদা "ক" কী "চ" গী কাংলুপ অসিনচিংবা

উদাহরণগী দমক্তা— মৈতৈ শব্দ খরা-খরত্ত লৌখত্তনা মথক্তা পনখিবা মথক ১২ থোক্না খায়তুনা উচ্চরে। অসি নত্তনা নৈননীডাই য়ায়হু লৈ। মসিদগী খংবীগদবদি— মৈতৈলোন থোমনা লাইরবী লোন নত্তে, শব্দ মশীংদা, অচৌবা প্রদেশগী ভাষাগী শব্দবা হেনবসু খব অমনা অর্থ মশীং য়ায়া পোকথোকপা অমদি সংখ্যা মশীংদা মীগী ভাষাদগী মণিপুরী ভাষাবা মহেৎলি।

কাংলুপকী রাদি ব্যাকরন্দা য়াউই। মচু ছাত্র অমাদনা থংইবনি। শব্দগী কাংলুপদি — পোৎশক অমদগী খোরকপা নত্রগা পোৎশক অচুপা ময়ীলৈনবা অমদি মমিং হোৌবা ময়েক মাপ্পরবদি পোৎশকশিং অচু কুরুপ তিমবা কৌই। মচুদি :— লশিং, লংচুম, লংখাই, লংহৌ, লংল', লংজা, লংছুম, লংতং, লংচাক, লংপৌ, লংকুপ, লশিং মরু, লংয়েরৈক অসিনচিংবা রাহৈশিং ফুরুপ তিম্মরে; লশিংদগী থোকপা, নত্রগা ময়ীলৈনবা অমদি মমিংশিং ল মরেক্লা হোৌই। মোইথাপদি লশিংদগী থোকপা ওইছনম্ মমিংগী অহৌবা ময়েক তিম্মদবনা ফুরুপ তিম্মদরে। শাগৈদি তিরৈ।

গদ্য-বারেং

Prose

গদ্য ইবা চাউরাক্না মখল ৩ শুই।

মখল অহানবা— পরিং অচুম্বদা ইশম শন্বা রাবৈনা ইবা স্কুলদা তম্বা লায়রিক—সাহিত্য, ভূগোল, ইতিহাস, অঙ্ক, ব্যাকরণ, জ্যামিতী অচুগা জীবন চরিত, ধর্ম্ম, জাতি অমসুং সামাজিক তত্বগী লায়রিক। হায়খিবা লায়রিকশিং অসিগী মথংদা অয়ানবা য়া লৈহনবা য়াদে। চুমদবা রা য়াউরম্রবদি লায়রিক অচু পাক্রবা মীনা অচুম্বা লায়রিক অম অমুক থেংনরুহনা মচু পাক্রবদা লায়রিক অনিগী মত তিম্মদবা উক্লবদগী, মপুক্তা চিংনদবা য়ায়রোই। মরম অসিনা য়ায়া কুপ্পা নৈনহোৌরগা ইগদবনি।

মখল অনিশুবা— অচুম্বা য়ারোনা পাৰৈ ওইহনা, লেখকী কল্পনা শক্তিদগী খোয়কপা য়াদিগা য়ামহনা হৈবা, মসিদি ঐতিহাসিক উপন্যাস অমসুং নাটক অসিগুবা লায়রিক্তি, মসিগী উদাহরণ— মৈদিংগু লোইমাই চৌংথংখোম্বা ইবুংঙোগী স্ব হাক্তক্তা "পাখং অমগা লৈশাবী অমগা অপাম-নুংশি লাংদা থুনথিরমই, য়েক্ খোক্কবগী অহল অময়া মখোয় নৌংবা থুংহনখিদে। অহুদগী মখোয়ই অনি হ খেমজী চাহনা শিখিরখি।" মসি শাক্তিনবা য়ারোনি। মৈদিংগু লোইমাই চৌংথংখোম্বা ইবুংঙোনা পাম্নবা অচুম্বনি। অচুম্বা অসিনা পাৰৈ ওইরহনা মখা শাক্তিনবা নুংঙাইবা য়ারোগা পুনশিন্দুনা লেংবা অসি গল্প লেংবগী ২শুবা মখলনি। য়াদৈ মতেক, উপমা অমদি মতুংদা শৈরেং খরম্থ খেৎচিনব ইয়া য়াই। মতম থাগে হায়রগা মৈদিংগু চৌংথংখোম্বা ইবুংঙোনা পাম্নবা মতমগা চানহনগদবনি।

মখল অহুমশুবা— ইওই ওইদবা কবিগী অকপা কল্পনা শক্তিনা লেংখোয়ক্ত,না অওইবা ওইনা উংপা অসি গল্প লেংবগী ওশুবা মখলনি, উপকথা (উপন্যাস Novel) উপনাটক (Drama) অসিগুবা লায়রিক্তি।

উপকথা অমসুং উপনাটক অসি মখল ২ শুই। সাধারণ উপকথা হায়বদি মীরমলেন্দা চৎনরিবা থৌদোকী য়ারো। ৺রবীন্দ্র ঠাকুরনচিংবা কবিগী উপন্যাস অমসুং হৌজিক ইনরিবা উপন্যাস মখল সাধারণ উপন্যাসনি। "চৈতন্য চন্দ্রোদয়" নাটক অসি উপনাটকনি।

মীপা লাইগা উক্রনা রা থাংনবা, মীনা উচেকুমা পাইবা ওবা হিংচাবা হিংচাবীগী রাম্নী অসিগুম্বা ল।ইরমলেন্দা তৌগদবা থৌদোকশিংগী রামীগী ল'ম্ররিক "অসাধারণ উপকথা" কৌই। মসি হৌজিক ইনদে। "আরব্য উপন্যাস" গুম্বা উপন্যাস অসা- ধারণ উপকথানি।

উপন্যাস অমসুং ড্রামা লেংবা লেখক্না প্রাকৃতিক জগত্তা মিৎয়েং থম্বীগদবনি প্রকৃতিনা য়াদবা মরম উৎলোইদবনি। হায়বদি নিংথম থাদা পুথ্রীদা থম্বাল শাৎপা, লমদা থাদা লৌ থাউবা অসি- গুম্বা ওইথোক্তবা হিরম ইবা ফত্তে। অশিংবা পাঠক্না অহুগুম্বা কায়ন চৎপা বায়েং য়াউবা লায়রিক অহু পাক্নরগা মবুক্তা লেখকপু উশিত্তবা বাখল পোকই। লায়রিক অহু পাক্নবগী তুংগাইবা অমসুং মতম মাংহল্লি, পাঠক কনাগুম্বনা, লেখকী মহৈগী চাং থংনিংহনা লেখক অহুনা লেংবা লায়রিক পাম্নী। কনাগুম্বা অমনা লায়- রিক্নী মসুংদা য়াউবা বায়ীত্তা থংনীংহনা লায়রিক অহু পায়।

পাথং অমনা মাপী মরূপ অমগী মমুমদা চংশিনদা, মরূপ অহুগী ইংথোল মচুং লম্বী লমজাং মরাদা, পুথ্রী অচৌবা অমা লৈবা, অহুগা পুথ্রী অহুদ; থরো থম্বাল শাত্তনা লৈবা, পাথং অহুনা উরমই হায়না লেখক অমনা কোংলে। মতম অহুদি "নিউ ইয়র্ক হেরাল্ড" মতমদনিহু হায় নিংথম থাদা থম্বাল শাৎপসি প্রকৃতিনা য়াদবা কৌই।

যতি=কুট—খুদম

যতির্জিহ্বেষ্টবিশ্রামস্থানং কবিভিরুচ্যতে।
সা বিচ্ছেদ বিরামাদ্যৈঃ পদৈর্বাচ্যা নিজেচ্ছয়া ॥

য়ারী য়ারেং অমগী মরক্তা লৈয়েংগী ঙাইহাক্তং লেপকম, পোথাকম্ অমসুং পুমলেপ লেপকম (সোর হোনকম) ওইবা মফম খংনবা খুদম থম্মে। খুদমশিং থম্নগী কান্নবা অমস্ত লৈ। খুদম থমজগা, য়াহৈশিংগী ময়েক অমগা অমগা শমজিন্নহনা পাগল্লি। মখাদ :— ঈশিং মুংশিং লৈ, য়াহৈ অহুম অসিবু ঈ, শিংমুং, শিং লৈ, অনুম হায়না অঙাং অমনা পাবস্নু য়াই। হৌজিক মতম অসিদা মথাদা ইরিবা খুদমশিং সাহিত্যদা চংনব্রি।

১। লঘু যতি (,) কোমা— বিশেষ্য অমসুং বিশেষণ শব্দ মথংশিংনা খয়া ইবা তারবদি মমৈথংবা শব্দ অনি নত্তনা অতৈ শব্দ খুদিংদা কোমা হাপকনি; অতুগা মমৈথংবা শব্দ অসিগী মরক্তা অমসুং নত্রগা অমদি ইগনি। মতুদি :— কৌ, চেং, হয়াই, লশিং অমসুং গেহু মণিপূরদা য়ায়া কংই। চাউবগী লৈকোন্দা অঙৌবা, অঙাংবা, অমুবা, নাপু অমদি মেম মানবা মচুগী লৈ মথল শুনা শাংলি।

য়ারেং মপুন অমগী মহুংদা ভাব মঙেক থায়না লৈয়েং ঙাইহাক লেপকম ওইবা মফমদা কোমা হাপকনি। মতুদি :— অহিং মুংথিল নাইদনা, চাবা, থকপা, তুম্বা, হিপ্পা অমসুং কোইবদনু, বিষয় অতুগী য়াথল কাওরয়োইদবনি; মতু ওয়্রপা মহৈ য়ানগনি।

২। গুরু যতি (;) সেমিকোলোন— ৱারেং পরেং লোয়দি লোয়রগা, ৱা মথা থরা তাথগদবা য়াৎলবদি সেমিকোলোন হাপ-কনি। হয়েংদি পাজি কলকত্তাদগী শোইদনা খুৎলগনি, ঐগী ফুরিৎ অমসু পুরকনি। হেয়াসিংগী লৌ লোকপা পুমলোয় লোয়রে; শিংগদবা খুদং থরদি দৈ।

৩। ছেদ (।) দারি, চৈথৈ— ৱাহৈ পরেং অমা লোয়বদা হাপই মতৌদি :— রাম মচিম্ননাউ স্কুল চৎখি। ইমা কৈথেল কাথরে।

৪। প্রশ্নকূট (?) য়া হংবগী খুদম। মতৌদি :— চাউবা কদাই চৎখি? নং পায়া কারব্রা? স্কুল চৎলরোইব্রা?

৫। ভাববোধক কূট (!) মী কৌবা, পুক্নিংগী অরাবা অচকপা কোংবদা হাপই। মতৌদি :— হো ইমা! হায়! হায়! ইঃ! করিনো?

৬। প্রক্ষেপচিহ্ন (“ ”) খুদম অনি অসি ৱারেংগী মতুংদা মী অতোপ্পা অমগী ৱাহৈ ৱারেং লায়রিক্তা মমিংশুদা থেৎচিনবা তাররবদি মথ প্রক্ষেপচিহ্ন অনি অসিগী মরক্তা থমগনি। মতৌদি :— ঐ ওরাং ডাক্তর মরুমদা উনক্রই—“হংচিং কাউবা থবক চিঙ্গি ঐ লাকপা ওম্মরোই” হায়না ঐহোন্দা হায়বিরকই। “খাইনগী নৈরাং” লায়রিক অসি ৺কবি চাউবনা লেংবা লায়রিক্নি।

৭। উর্দ্ধরেখা (৺) চন্দ্রবিন্দু মানবা খুদম অসি মৈতৈ-রোন্দা “থোরুম লাইওই” খুদম হায়বা য়াই। নাইতোম শিজিন্নরুপা ঈবুং অমত্তুং ঈপুরোবু থংবৈ, মী অমগী মমিংগী মমাংদা

হাপ্পবদি মোজাখিবা মীনি থংনৈ। মহৃদি :— শ্রীশ্রী৺চরণগী কৃপাদনী হৌজিক ঐখোইগী অমারেক লৈজদে। ৺পাবুংগী কিরোইদি হং— তাং দা থোক্লে। শ্রীযুক্ত মামতোনদা কিরোই মংববা থোকপীরক্লবা নিংশিংনৈ। লিখিবা মীশী মমিংগী মমাংদা শ্রী হাপ্পা য়াদে।

৮। অনুক্তি চিহ্ন (—) লৈই থকৈবা। থুদম অসি করি, গুম্বা মী অমগী কোংনিংদবা মমিং অমত্রুং কোংনিংদবা ৱাহৈ ৱাঙাং ফুমহ্না থম্বা মফমদা হাপই। মহৃদি :— শ্রীযুক্ত —— সিংহনা সিনবীরিবা থৌদৌ মতাসি উরগা ঐ ঙক্কেবা ঙমক্তে। নহানমথৈ মহাক্না হাহ্বীরক্লবদি ——। হৌজিক্তি —— ত্তেীবীরক্লে।

(ক) (—) থুদম অসি, ৱাহৈ পরেং অমি মথক মথা ওয়না ইরবদি পরেং অনিগী লাংদাইদস্তু হাপই। মহৃদি :— চাউবা নমাং য়ায়া কংলে — হন্দক নারুবদগী।

৯। ঋণ চিহ্ন (—) থাইদোকপগী থুদম অসি লায়রিক ইবদা, পরেংগী অরোইবদা শব্দ মপুম ইবা চত্রহ্না, মথাগী পরেংদা মরেক থম্না ইবা তারবদি, মথকী পরেংগী লোয়নবা শব্দ মতেকী মরাদা হাপকনি।

১০। সমান চিহ্ন (=) মাম্নবা থুদম অসি ৱাহৈ অনিগী মরক্তা লৈরবদি ৱাহৈ অমি অহূগী চাং, গুণ নত্রগা অর্থ মাম্নে থংই। মহৃদি :— ৱাহৈ=শব্দ, পদ, Word।

১১। লোপ চিহ্ন (* *) শৈরেং নত্রগা ৱারেংগুম্বা অমা লোইদা ইহৌত্রগা, মথাদা লোপ চিহ্ন অসি পরেং ২।৪ থম্বা থমহৌনি।

১২। অণ্ডার লাইন (————) অইবা রায়েংগী মফুংদা য়ান্না হেক্তিন্না দরকার ওই হায়বা খংহন্নীংবা রাটৈ নত্তগা রাটৈ পায়েং অহুগী মখাদা লৈই চিংত্তুনা খমগনি।

১৩। ব্র্যাকেট ( ) কোৎসনবা : রাটৈ অমগী মতুংদ ভাইনবা ব্র্যাকেটগী মফুংদা লৈবা রাটৈ নত্তগা অহু মশিং অহু মাংখংবা রাটৈ অতুগা অর্থ নত্তগা চাং মান্নবা খংহল্লি। মতুদি :— স্বর্গীয় (নোঙ্গাখিবা, লোংখক্তা লৈবা)।

(১) লাইশু

১। পাকচাউদি লায়রিক য়ামদি হৈরগা "লাইশু" দি ইখাং খংলে।

২। শিশক লায়রিক হৈত্রবন্নু "লাইশু" দি কনা য়ান্না খংই।

অসুম তৌনা মীনা "লাইশু" পন্দুনা ভাংনব' য়া ভাদবা মীদি কয়া রাউরমোই। নহাশিং খয়া ভাদবস্নু ময়াই।

কয়িবু লাইশু কৌবগে ? লাইশুগী অর্থ কয়িনো ? রাটৈ অমত্তনা পাউখুম পীনিংঙাই লৈতে। দেশ অম অমগী সমাজগী মফুংদা

১। মহারাজ ঈশ্বরনা (৺সায চন্দ্রকীর্ত্তি) পাল্লিবৈদা পণ্ডিৎ লোই-শং কাবখ্ম উবা পণ্ডিৎকা ভাজন্নদা লেপগ্রবা "লাইশু" গী অর্থনি। ইপুংবোকণা নত্তে।

কক্তে হায়না চৎনরিবা লমচৎ ব্যবহার থকলি-থাদি লোননচিংববু লাইগু কৌই। মৈতৈগী পুংরৈবা, ইচৈ শকপা, পালা য়াউবা, লায়রিক থিবা, লাতরিক হায়বা, রাষী লীবা অমস্তুং পেনা শকপা অসিগুম্বা মথলগী মীনা লাইগুরোল য়াম্না থংই। স্কুলগী ছাত্র-ছাত্রী অমস্তুং আই-এ; বি-এ, এম-এ নচিংবা নহারোল লায়রিক য়াম্না হেবশিং লাইগুরোল থংদবনা য়ামই। লায়রিক ফবা য়াম্না হৈহ্রনা অফিসার অচৌবা ওইহনস্তু মরৈপাক্কী লাইগুরোল থংদবা য়াদবনি। মযুমদা শ্রাদ্ধনচিংবা কর্ম্ম তৌবা তাবরদা, চংদবা য়াদবগী তঙাইফদনা সংকীর্ত্তন মভুং চংবদা লাইগু থংদবা, লায়রিক হৈবা নহাগী মতৌ য়েংহনা ভাবোক নোকপস্তু য়াউই। ছাত্র ওইরিবৈ-দগী লাইগুরোল তমহোগদবনি। কনাগুম্বা অমনা মথুৎনা মপাগী মমিং ইবদা শ্রীযুক্ত হাপই। কনাগুম্বা অমনা মমাদা পীনবা চিঠি ইবদা, মকোক্তা "শ্রীমতি ইমা ইবেম্মনা" হোই। মসি লাইগু থংদবা কৌই। লাইগু থংদবা মীবু মীনা ব্যবহার তৌবীদে, হঙ্গবা মিৎয়েংনা য়েংবী। দেশ অমগী লাইগুরোলগা দেশ অমগী লাইগুরোলগা থরা থেমবা য়াউই। হৌজিক মণিপুর ভারতকা অমত্তা ওইনা তিন্নরে, ভারত নত্তবা অত্তোম্বা দেশনা, মৈতৈ মচাবু ইণ্ডিয়া মচানি (Indian) হায়না থংবীরে। ভারতকী প্রদেশ খুদিংগী লাইগুরোল থংহোৎনবদি মথোয়গা তিন্নরবদা মৈতৈ ঐখোয়বু হঙ্গবা মিৎয়েংনা শোইদনা য়েংগনি। মরম অসিনা ভারতকী প্রদেশ খুদিংগী লাইগুরোল থংগদবনি। মণিপুরদা, নিপাগা হুপী অদোম্বা অমগা চীনোক্কহনা রারী রাতাই শাবা য়াবগী মতৌ অহু নোংহনা মীগী দেশদা অহুম তৌরবদি অঙাওবা তারনি। ঐখোয়গীদি, মী

অমগী ইমুংদা পাক পাক চংশুনা রা হংউবা ৎবরা ৈগেত্তে, মীগীদি অতু য়াদে। মীগীদি খোংউপ জোংনা মাঙোল কাবা য়াই। ঐখোয়গীদি য়াদে ঐখোয়দা য়াব', মীগীদা য়াদবা, মীগীদা য়াবা ঐখোয়দা য়াদবা লাইগুরোল লৈ। মীরৈপাক মচা অমা লাক্লুনা ঐখোয়গী মাঙোল কাগে জৌবদা মাগী খোংউপ লৌখোকহনপদবনি। ঐখোয়গী লাইগুরোল মাঙোন্দা তাকপীপদবনি। মখোয়গীদা চৎলুবদস্থ মখোয়গী লাইগুরোল খংহৌনবা হোৎনপদবনি। লাইগুরোলগী লাইরিক অমা তোপ্না কোংনডাই লৈ।

লোইরবা